শরৎ সঙ্গী

বৈকুণ্ঠের উইল

[illegible]

রূপবাণি

বৈকুণ্ঠের উইল



…ট্টোপাধ্যায়

হন্লোকচবা

রঘুমণি

ফোংনবা :

এল, জিতেন্দ্রকুমার শর্মা

ব্রহ্মপুর নহাবম।

অহানবা থুংলম

১৯৯০ ইং।



কোপী মশীং লিশিং অমা।

মমল লুপা ৮২

ফংফম : —

মেবশা বুক ষ্টোর, মসজিদ রোড, ইম্ফাল।

নম্ফম

মেবল-প্রেস

পাওনা বাজার, মসজিদ রোড ইম্ফাল।

ৱাহৈ অনিদং

ৱারেং ইথদা খোইদোক্লা হৈ-শিংলবা সাহিত্যাকার শরৎ চন্দ্র চট্টোপাধ্যায়গী ভারতকী লোন অয়াম্বদা অনুবাদ তৌগ্রবা, লোন কয়াদা কিলম নমগ্রবা "বৈকুণ্ঠের উইল" হায়বা উপন্যাসমতুনি। ইরিক অসিদা সাহিত্যাকারগী নিংথিরবা খুৎইনা লাইরিক-লাইও শবা, অপঙবা, তোরবিংবা, মমা নিংবা, অহুম ওইনমক চিন্দা পা অমা ঙাংখোকপদা ফজ-ফজদবা খল্লরুদবা, শাউগনবা খুঙং লুপা অমগী ইমুংগী ৱারী পানশিন্দুনা ভারতকী সমাজগী গক্তম অমা ময়েক লানা ফোংদোক্লি।

অসিগুম্বা শক্লাইরবা অইবা অমগী থাক ৱাংলবা লাইরিক অসিবু ঐগুম্বনা অনুবাদ তৌনবা হোৎনরুবদি অঙাং মচানা মৈ চীদবগুম্বনি। অহুগী মথক্তা অতোপ্পা লোন অমদগী অতোপ্পা লোন অমদা হন্দোকপা হায়বসিমক খোইদোক্লা অশোয়্-অঙাম থারোই হায়নিংঙাই লৈতে। অহুম ওইনমক লাইরিক অসিগী পীরিবা মমল নাইত্রবা মহাওহু পামজরুবনা মৈতৈলোন্দা হন্দোকপা পাবিরিবশিংগী মিৎয়েং-মাংদা লাত্থোকচরিবনি।

মরুপ-মপাং কয়ানা হায়বিরকপা মতুং ইন্না লাইরিক অসিদা চন্দ্র চট্টোপাধ্যায়গী শরগ্পা পুন্সি ৱারী হাপচিল্লরে।

লাইরিক অসি নম্না হৌগৎলকপদা তেংবাংবিখিবা মরুপ-মপাং খ্বাইগী মরুমদা তৌবিমল থগবা উচ্চরি।

—অনুবাদক



শরৎ চন্দ্র চট্টোপাধ্যায়গী শল্লপ্পা

পুন্সি ৱারী

শরৎ চন্দ্র হুগলী জিলাগী দেবানন্দপুর খুঙংদা সেপ্টেম্বরগী ১৫, ১৮৭৬ ইংদা রায় লাইরবা ইমুং অমদা পোকখি। মপাদুং মতিলাল অহুপ। মমা ভুবনমোহিনীগী অনিশুবা মচানি, মচানুপা-দমা মহাক্না অহলনি।

মোক ১৮৯২ দা মহাক হুগলী ব্রাঞ্চ স্কুলদা 'ফাস্ট' ক্লাসতা (ক্লাস টেন্থ) তম্মী। অদুবু ইমুংগী শেল-থুমগী ফিভম কংলক্তবদগী মহাক চহি অমা লাইরিক তম্বা তোকপা তাখি। মতম অদুদগীনি মহাক্না সাহিত্যদা থোক্লাবা হৌখিবা। মতমদুদা মহাক্না কাশীনাথ, ব্রহ্মদৈত্য, কাকবাসা হায়বা ৱারী অহুম অসি ইরম্মী।

মথংগী চহিদা দৈন্য-শাইহৈবগী চৈথেং থাংজমদদুনা মতিলাল ইমুং হুম্না খুপী-নপাম ভাগলপুরদা শাইদাংলখি। সাহিত্যগী ওবা পাঁচকড়ি বন্দোপাধ্যায়না শিনবিদুনা শরৎ চন্দ্রবু ভেপনারাজ

জুবিলী কলেজিয়েট স্কুলদা (হৌজিক্কী মিং— তেজনারায়ণ বনালী কলেজিয়েট স্কুল) 'ফার্স্ট' ক্লাসতা মখিং চলহনখি।

শরৎ চন্দ্র শোক ১৮৯৪ দা এন্ট্রান্স পরীক্ষাদা সেকেণ্ড ডিভিজনদা পাস তৌই। তেজনারায়ণ জুবিলী কলেজদা এফ, এ. ক্লাসতা মখিং চঙ্খি। মখং চহিদী নবেশ্বর থাদা মাগী মমা ভুবনমোহিনী শৌজাখি।

ইমুংগী শেল-থুমগী কিচ্ছম কা হেন্না কংচিন্নজবদগী শোক ১৮৯৬ তা মহাক কলেজ থাদোকখি। মামাগী যুম থাদোক্লুনা মহাক মপাগা লোয়নবা খঞ্জরপুর খুঙংদা লৈরখি। মতমচুদা মীগী শেন্দোলগীদমক মযুম-ইশ্নোল যাম্না হোংনা লোচ্ছোকখি।

মহাক্না শোক ১৮৯৮ দা 'অভিমান' কৌবা উপন্যাস ইরম্মী। মথংগী চহিদা বোঝা, অনুপমার প্রেম অসিনচিংবা বারীশিং অমস্তুং পাষাণ কৌবা উপন্যাস ইরম্মী।

খ'নবা চহিদা মহাক বিহারগী পোড়াহাটদা রাজ বনালী এস্টেটতা থবক তৌই। চহি অদুদা মহাক্না বড়দিদি, চন্দ্রনাথ, দেবদাস অসিনচিংবা ইখি।

শোক ১৯০২ দা মহাক্কী মপা মতিলাল লোজাখি। মথংগী চহিদা মহাক লাইবক চাংবেংবা বর্মাদা চংগা তাখি। থবক কংবগী অভাব থা অনি-অহুম থাংলবা তুংদা মহাক বর্মাগী রেলবেগী একাউন্ট সেক্সন্দা থবক ফংখি। অদুবু শোক ১৯০৫ দা থবক অদু থাদোকপা তাখি। চহি অদুমক্তদা মহাক পেগুদা P.W.D. দা তঙ্খৈ লুপা ৫০ খক থাগী থবক ফংলুরা

থবক তৌখি।

শোক ১৯০৮ দা প্রেগনা শাহুনা মরাকী মূপী শান্তি দেবী অমসুং চহি অমমা ওইরিবা মচানুপা শিখি।

শরৎ চন্দ্রনা শোক ১৯১০ দা কৃষ্ণদাস অধিকারীগী মচানুপী চহি তরাবরিদা ওইরিবী বাল্যবিধবা ওইরবী মোক্ষদাগা লুহোংখি। (মোক্ষদা দেবী সেপ্টেম্বরগী তারিখ ১, ১৯৬০ ইংদা লোকাখি।)

শোক ১৯২১ দা দেশবন্ধু চিত্তরঞ্জন দাশনা পুশিন্দুনা শরৎ চন্দ্র কংগ্রেস চাউখি। অদুগা চহি অহুমক্তদা মহাকপু হাওড়া জিলাগী কংগ্রেসকী সভাপতি থমখি।

শোক ১৯২৩ দা কলিকাতা বিশ্ববিদ্যালয়না 'জগত্তারিণী স্বর্ণ পদক' পীদুনা শরৎ চন্দ্রবু ইকাই-খুম্নখি।

জানুয়ারীগী তারিখ ৪, ১৯২৭ ইংদা 'পথের দাবী' গী মথক্তা বৃটিশ সরকারনা Preaching of sedition দা মরাল শিদুনা Under section 124A of the Indian Penal Code জারিদুনা থিংজিনখি। অদুবু উপন্যাসকার অসিনা লোঙ্গাপ্রবা মতুংদা খ্রীষ্টাব্দ ১৯৩৯ গী মার্চ থাদা কনখুন হকপা মতিং ওইবা মতমদা অথিংবসু লোখোকখি (Gazatte Notification of tne Govt. of Bengal, dated, March 1, 1939)। অসুম্না অথিংবসু লোখোকপবা মতুংদা মেগী তারিখ ১৩, ১৯৩৯ ইংদা "পথের দাবী" ছাপা ওইবা হাংখি। অদুবু

লাংলোইবদা থাক্তং পাংই হাবগী মরাল শিংদুনা অদুক ফেব্রু ব্রিটিশ সরকারনা Dramatic Performance Act পানশিন্দুনা ৱারী তারিখ ৬, ১৯৪০ ইংদা অথিংবা অমুক থমখি।

জুলাইগী তারিখ ২৯, ১৯৩৬ ইংদা ঢাকা বিশ্ববিদ্যালয়না শরৎ চন্দ্রদা ঐকাই থুমিনজাই মশক ওইরবা ডাক্তরেট অফ্ লিটরেচর (ডি, লিট) উপাধি পীখি।

শরৎ চন্দ্র জানুৱারীগী তারিখ ১৬, ১৯৩৮ ইং নোংমাইজিং নুমিদাংগী অমুক পুং ১০ গা মিনিট ১০ তারা মখমদা অরোইবা শোর হোনখি।

শরৎ চন্দ্র অহাং ওইরিঙৈদগী লাইয়রবা অতোন-অতাশিংগী তাঙবা মরুপ ওইরকই। নৈতন-লাইরিকশিংগী অমা-অমেক থোকপদা অথেং-অমমদা মাইবা-তাকপ কৌবা মতাক্রা লাকটেন অমা পাইদুনা চংলি হায়দুনা মখায়া মতাকপু ল'ল.টেন পায়বা থাখোন-মচা হায়না খঙনরম্মী। অদুগা মহাক অতোন-অতাশিংগী কোমুপ্পা নৈদুনা মপুন্সি লেমখি।

মহাক্কী মপাবুং মতিলালনা লাইরিক ইবা য়াম্না পামজরম্মী। অদুবু নৈত-লাইরিগী চৈথেংনা মতাক্রা ইবিবদু অমত্তা মপুং ফাবা ইথোকপদি ঙমখিদে। মপাগী অইবশিংদু পাক্ংদগী পিক্রিবা শরৎ চন্দ্রগী থখোয় সাহিত্যগী থাইকৈবোয়দা চিংশিনবা য়োৎখিবনি হায়না থাজবৈ। মহাক ভারত স্বাধিনতা ফংনবা লোৎখিবা মীশক অমনি। ফোংনা রাজনীতি চাউবকা নক্না উবাং নৌবা কাংলুপকী মহাক মশক থাইবা মী তাঙবা মীশক অমসু ওইখি।

বৈকুণ্ঠের উইল

অমা

চহি মঙা-তরুকী মমাংদা বাবুগঞ্জগী বৈকুণ্ঠ মজুমদারনা পোংচোঙ য়োনবা দুকান মওং কয়াদা অমাং-অতা কনা পোতলমশু মতিক লেংখিবে, মতম অদুদা অয়াম্বমক্তা চঙখি। মমনি, কমদোহনা বৈকুণ্ঠনা দুকান মুংলপদবদগী কনখ্রিবদো হায়বা হওখিদে। মতুদগী হৌনা দুকান অদু ভগ্না ভগ্না চাউখৎপগী লম্বীমক্তদা চংশিল্লকখি।

অতুঙ্গুম্বা অরাবা খুদোংথীবদু অমুক হৌখিগ্রে, অদুম ওইনমক বৈকুণ্ঠনা মাগী মচানুপা গোকুলবু স্কুল থাদোকহন্দুনা মপাগী দুকানদা য়াউহনখ্রে, মতম অদুদগী হৌকাইগী মীনা থোইদোক্না চক্তা থোকখিদে। মথোয়না বৈকুণ্ঠগী লোয়চংপাবং অদুগী মতাংদা খিনা ডাংবৈ, 'উপ্রেদনা দদুনগী শাজৎলে। অতাংদু অদুক হাক্তা পঙ্গদু— চহি অমা ক্লাস কাখংগা চখলক্লে, মদুগি হাবহুনদু অমিসঙ্গা থবক। মাগী মমা হিংবা থোকখদি মপো

অসুম্বা তৌবা ঙম্বগনি ! অহুক শারীরিক অমা তোকহল্লুদবা য়েংলি মাগী মচানুপা অতোম্বা বিনোদ অদু ! নুপী অতোম্বীনা চাকথুক্তা হু হুবগনি।'

মক ওইনা গোকুল অকবা ছাত্র নত্তে। ক্লাসতা মহাক কহিগুম্বা হুমিত্তনু পাম্বা নিংথিনা কাবা ঙমদে হায়বা য়াই। পরীক্ষাগী কল হায়রোক্লে, মহাক মমাই কাহংনা মমা অতোম্বীগী মনাক্তা চংলক্লগা কপখোরক্লে।

মমা পোক্তবীনা মহাকপু মতম্বাক্তা চিংশিল্লগা হুংশিবিবগা মোয়্রবনা মকোক্তা, মমাইদা মখুংনা নানথিহুনা খোইথুম্বরবা খোজেলনা হায়রকই, "গোকুল, হিংহুনা লৈরবদি অনিগুম্বা অমাবা চাম্বা চাম্বা থাংবা ভাবনিনে নুপামচা। পুক্নিংগী অমাবা নোকথি নোকমি থাংহুনা হনবা লৈতনা হোংলবা অচাং অহুমক্লিদনা নুপামচা ওইবা হায়রবতুদি। কপকহু ইবুংঙো, অমুক হন্না নপুক্নিং চংনা শাইখিক ওয়াইহু, মথংগী চহিদা পাস তৌবা ঙমগনি।"

মচানুপা অতোম্বা বিনোদ চোং-কল্লুনা মযুমদা হল্লক্লে। মহাক্কী মরাম্বদগী চহি তরুক হৈছু, ক্লাস অহুম-মরিমু হন্দুনা তম্বী; অদুবু মহাক তশেংনা মকোক ওইহুনা ভবল প্রবোধন ফংলে।

মচানুপাগী হুংঙাইবা পাউ তাবদা মমামা মহাকপু মতম্বাক্তা চিংশিন্দুনা কোনশিনবিত্রে অমম্বুং অখোম্বনা মতাক- মখোই কানা আশীর্বাদ মশীং থিজমদনা হৈখরকই।

সন্ধ্যা মতুংদা বৈকুণ্ঠ চুকাবগী থবক লোইরগা থাজা নাকদা লেপচুনা মমুৎতা হন্নকপদা মচানুপা অনিগী পাউ তাথদা অক-কত্ত করিগুম্ হায়দে। মচাশিংগী তাত মথোরগী মমাংদা শিন্নথোক্কুনা মহাক করিমত্তা বান্নবমি। মথোক-মথুং হাবদোক্লগা ঐশিং থক্লগা কা চানা চানা তপ্প-ইংনা। মুংত্তিগী নিরব মতুং ইন্না থাজা লেংবা কমথক্লে।

অনি

"ঐখোয়গী ইমা ভবানী কদায়দা লৈবগেনে?"

অনি হায়দুনা নীচৈ কোক কোক ওইনা স্কুলগী ওবা জয় লাল বাঁড়ুয্যে মুখিং অচুম্বগী সন্ধ্যা অচুম্বকদা বৈকুণ্ঠ মজুমদারগী ভবাংদা চংলক্কুনা লেপ্লে।

মহাক্না বৈকুণ্ঠগী পোৎচোম য়োনবা চুকাপগী চেং-হবায়, থাউ-থুমচিংবদা শেল য়াম্না থাকী তাহল্লগা মুমুরেনখোঃদা ইমা হায়না মীৎজোরক্লিবনি।

ভবানীনা সন্ধ্যাগী থবক-ইথাং লোইশিন্নগা মাঙ্গোলদা কক থাহনা মচানুপা অমিবু কোন্নুনা কয়্যগী ; ভোকম থজদনা ফিদা থাবে।

বাঁড়ুয্যে মহাশয়না হেক কনথবগা হৌরকই, "য়োম থঁপ পোকপীনি হায়বা থাই ইমা নহাক। অচংবা মচা পোকপীনি

লাকখা হাই ! অদুক অচাং ওইরিবা নকাইদুনা মিরোমদা হাপ্তি ! অপেংবা ভবদা প্রবেশদন ; মাগী নপক উবদা দেও মাঙ্গিন্ন মহাপিদ্ধ কাওবা থকপ্রবনি। অসি মাদু থাদংতবা থমদে ! ঐদিদে ইমা, অচাংশিং লেহনা হদুবপ্রবনি ; অদুবু নহাকী মিরোদ অসিগুম্বা অচাংদি কমিগুমদা মিংলিনা উনঙ্কি ! ঐনা মসি হায়বত্রিবসিনি অসি, অচাং অসি মখোয়গী হাই-কোটকী অদককা হায়বদু ওইবকনি—লোয়দনা ওইবকনি।"

ভবানী তুপ্পিনা লৈ।

বাঁড়ুয্যেনা মখোনা কংলহনা হায়বকই, "অদুগা গোবুল অসি ! অমুবা করি অমনা করি। অচাং অসিদি প্পাইবগী পথা মকোক্তি ইমা, একমাথিবগী মুথিত্তা ঐমু মখোয়গী ডিমুটি তাহনা পংলপ্পী— অচাং কয়ানা টেবিল মথাদা লোয়া লাইরিক কাপ্পুনা পিল্লি— মাধকী নাক-মেংতা মলিকখোয়গী অচাং অসি লাইরিক কাপ্পুনা ইহনা লৈ— উনা উনা ঐ উপিনদে— থোইদোকনুম অপগুবা মতোম্দা মিং কুপহুনা ইঙ্গিত কাওবা তৌথিবনি, অদুবু অপগুবা পথাগী মতোত্তন মথুং-মপা ফিংখোক্লনা অয়েংনবা অমদা মেংহুনা কমহনা লৈখোকই, মাহৌক অদোমগা মমিংনা কাওবা হনা মেংখোয়ক্তে। অদু নংলমনপ্রবদি মলিকী মচানুপানা পাপ তৌরগা মাদি তৌবা চম্মোইদবা ! চুমনা লানজা হায়বা মপাসক্তা হংহুনা মেংত্ত তাসিইমা।"

অসি হায়বগা ভবলাল মাস্টরনা লীচৈ থাক্কংহুনা চক মেক থিনপদবগী মতাগুম তৌহনা অচাং কীবম্নুনা থায়কুবা মাগী খোওংদু লোইশিনরে।

অহুম্ গোকুলদি কীজবনা মতু চুরে। নিংকুপমুক্তী মচুংদা ভবানীনা মথুং অমি তিংখোক্লুনা মাখী-লোয়বীগী মচা-মুপাহুবু চিংশিল্লগা মথাদা কোম্বুনা থমখ্রে।

গোকুলগী মমা লৈরে। মমাবু মপুক্কিখা থাজবা মিংশিংখ্রে। মমা পোক্তবী অমিগী মথাদা মতাক চাউখৎপদি। অদিমক খুনদগী কমা কপ্রা হল্লকপা মমা অতোপ্পীগী মতম্বাক্তা চুমবা মতম অহুমগী মহাকপু মমা অতোপ্পীনা মনাওগী অমুক থাদোক্তে অমমুং ওনাবমথৈ মথোয় চুম্মিন চুপ্মিন বা মমাক অমি চাংনমক্লিবদি। গোকুলগী মকোক্তা মথাইদা লাকখিদুনা হুংশিনিবগা লোয়নদা পীরাং থাংবা থোক্লেনবা ওগ্রা হায়রকই, "থোয়নে মুপাবচা, অহপা অচাং পুন্নক্না লাইদিক কাম্বুনা থেংনবগা মওদি কদায়দা থেংদুনা লৈথোকপগে?"

গোকুলনা কম্মিমন্তা চাংথোকপা ঙমখ্রে। মশাগী পাংজদবগী মশিংদু মখোক লাবা প্রমাণ অমনি হায়না থম্মুনা অশেংবা মক লুকচারখ্রে।

অহুবু রাকম অমি ইথুংদা বৈকুণ্ঠগী মনাকোং থৌথিদুনা মহাক্না হিসাবকী থাতাদগী মথাই লৈথোক্লুনা অশেংবা মমা থাজংদুনা লৈরে!

ভবানীনা থোকচেং ভোংদুনা হংখ্রকই, "চহি অনিবা থাম্না মপুক্কিং চংনা হোংনরবদি শাক্লিবা চহিদা মহাকনু কাপ্চি ওইবা ওবগদি।"

গোকুলগী মথাক্তী চৎখিবা খোঙজেল অদি বাঙ্গুবো মহাক্তবা থজবা ঙমখিদ্রে। লোমবাগী মচাবু দুগী থুদিংমক্তা লেংবিথদ্রিং ডগেংনা মথাক্তী অভাবীবি হায়বদি মহাক্না চেংনা থাইদ্রে, অদুবু করি কৰিগুম্বা মতমদা কৰিগুম্বা মতাংদা মহূগী তাবোমনম্মু খোকই হায়বা বাথলুবি মহাক্তী থম্মোয়দা কাঙমজ্জে। অদুনা মহুবু চিৎবাম-খোঙগী কৰবা অচম্বা হাবে অমথি হায়বা লৌহুন মহাক্না গোকুলমু থমুক হেল্লা হল্লনা উংমনবদী বাথলদা মথং চাবা খোঙ্ছোক অমা মখৈনা থংলগা হায়রকই, "হাইমা হাইমা! গোকুলনা কাস্ট ওইগৎলৌরিব। মোংগোক্তা খোকপা সুমিংনা মোংচুপ্পী খোৎজনবা! কাস্ট তাগদবা অভাংদি ইমা, মহাক্তী ওইবোমদা বা তাবিবা অভাংহুনি।"

অদি হায়রগা মহাক্না বিনোদলোমদা মখুং চিন্দুনা থজ্জহৌদনা কংলোক গোজুনা মল হাপ্পগা হায়রকই, "অভাংলিমবু ভুক্কাইলহজোইবা থজ্জরবে। মথক-মথা খোক ওয়্যোজুনা মানা অভাংলিংবা দাগল ডৌনা হায়, 'ঐ পাপ তৌবে হায়বদি থাই, অদুবু ঐগী ইনাওনুপাদি থ্রাইদগী মকোক ওইখিবদি ? মন্দুর নথেংবী মনাওনুপা কৰা অদুহ্রা ভবন প্রয়োগন কংথবা হুমগে হুমলুদনা!' তাওবো মাঙ্গী বাদি অচুক্তা! মনাওনুপাদা কাস্ট ওইবে— ঈকাইবনা মা শিগদবদি, মতু লৌজে, মাঙ্গী বাথলুসি মেংউ!"

ভবানী খাংদ্রা অমুক ওয়েজে, নথহুনা গোকুলবু চিংশিল্লগা মচাবু মথাম্মা চেংনেং কোনশিনবিহুনা থমজ্জে। গোকুল ঈকাইথজ্জো

শিগদৌদুনা মমাগী মথাদা মমাই লোংহুনা ছুপ্নিমা কথহনা হৈরে। গোকুলনা মাগী মমাওইপাবু কন্নাগী মতিক মংশিনবদগী হায়বা মহাক্না থওই।

বাঁড়ুয্যে মহাশয়না অতৈ বা মমাংঙাইদগী পেন পেনহুনা ওংহনা মহাকী মচানুপা নিবোদকোদমক তৌদিকমকপু হৌবা নুমদা মতিক চাবা ওবা থমহনা তাকপিহনবা হৈ হায়বনিমক থওহনবা পায়কই, অদুবু থওহৌদনা মতম অসিদা থংনবা কাদনু মচানু অমা থংলাক লাকুনা মমা-মচাগী মাইথোংদা হৈরবদু মাগী থম্মোয়দা থুক লাউবগুম তৌরকই।

ভবানীনা অপওবা লোয়নবী-মচানু মতম্মাক্তা কোম্নুনা মপুংবা লানবিরিবা মওংসি পোকপী মমা অমনা তৌনরিবা মওং অদুমক নঙ্গমাদে হায়না মহাক্তী মপুক্কিংবা চিংমখ্রে পোৎরক্নে। মমম অদুনা মহাক্না চাংদমনবগী মপক ওইরা থম-হৈনবদুগী মখিদা অমুক শাংথখিবা চুমগঞ্জা লানগঞ্জা হায়বা অহ ডপেংনা অরেম্না থওনা ওমক্তুনা মহাক অতোপ্পা বা ওংবদা তারে।

ভবানী ওসায়মথৈ চাউমাক্না ছুপ্নিমা হৈরকই হায়বা মাই। তৌদিকদু বা থোইনা ওংদে। মথৈথংদা অহিং থেংজিনরক্নে হায়হুনা বাঁড়ুয্যে মহাশয়না আশীর্ব্বাদ চদুন অমা হৈথরক্নে অমম্বুং ভুংদা বিনোদ মিংচং কংলকুনি হায়বগী থাকপা হন্না হন্না চিংনবা হৈতনা থওহন্নগা লৈরেম্বু পায়হুনা থোকপাক্লুরে।

ইমুংদা কনহুনা বৈকুণ্ঠনা অপেংবা তাদা অসিবক তাই-থক্লিবনি। মাংদা চংশিনক্লগা খোজেল নুপা হংলকই, "হাই তাদিয়া গোকুল, মরামা লাইরিক কাক্লগা শিন্দুনা পাপ তৌনবগা মঙনা শিক্লিবনি করিগীনো?

গোকুল খীবনা মতু চুংনা হায়গী মতোঙৈ মখাই লোংতুনা লৈরে। খখকা-খুংকা কয়া তৌরবা তুংদা মখাক্তা খুমকপা অহুগী ভাবার্থ অসিসি মহুদি, পন্তীকা হৌজিক্তৈগী মখাংদা হেডমাষ্টর মহাশয়না চংলক্লগা হুরান্দুনা মক্তা থেংন-খোংনহুনা শিনবা থিংলবি।

বৈকুণ্ঠনা ভাইহাক বা ভাংদনা চপ লেপত্তুনা করিনো চিন্তা তৌরকই, অহুগী তুংদা হায়রকই, "হরেংদগী নঙ কুল কায়খোইদবনি, ঐগা লোয়নহুনা চুকান্দা চংলগদবনি।" অদি হায়রক্লগা মহাক ইমুংদা চংহুনা মথাক্তি মখোয়দা মপুক্লিং চংলে।

মসিবু ইচম চম্বা বায়কপগী বাকম অমনি হায়না খন্দুনা ভবানীনা মতমহুদা বা ডাংথিদে। অদুবু মখংগী অমুক্তা বৈকুণ্ঠনা অপেং অপেংনমক গোকুলবু চুকান্দা পুবা পায়কপা অহুনদি বৈ হৌরক্তুনা শাথীনা থাথিংদবা কোংদোক্তুনা হায়রকই, "চংনবা থায়োইদ্রবা বানি মতু! খোমগী অডাংবু নহাক্তী চুকান থাউবা চংকদ্রা? মতু থায়োই—ঐনা হিংলিত্তৈদবি গোকুল লাইরিক তম্বা তোকহল্লোই। অদুম্না থাউবা অমুক্তা উনবক্লি।"

বৈকুণ্ঠের উইল

অসি হায়রগা য়ুমুরেমবীনা শাউবগা লোয়নমা মচানুপাবু চিংশিন্দুনা পুশিনখিগদবগী তৌরকই, বৈকুণ্ঠনা -লোকখেৎ তৌদুনা হায়রকই, "কনানা শাউরিবনোনে খো অংতোম্বী ?"

য়ুমুরেমবীনা হায়রবই, "নহাক ! অতৈ কনানা ওইগদগে ?"

"ঐ শাউবা করিগুম্বগা উগ্রত্রা ?"

"মসি অহু ওইরবদি করি বাদো হায়বিদুনা ? অঙাং ওইরিবৈতদা 'পাপ-খেল' থাইদুনা ওইনরিবনি । মহুনি হায়দুনা ফুল খাদোকখ্রগত্রা ?"

বৈকুণ্ঠনা মতম অহুদা গোকুলবু অতোপ্পা মফমদা খাদোক-খ্রগা লোকখি লোকখি তৌদুনা হায়রকই, "খো অতোম্বী, ঐ শাউদে । নঙগী নচাপুপা অহলবু ঙসি হায়দুনমক্কি ঐনা হুকান্দা পুগদৌরিবসি । নচানুপা অতোম্বগী মরিদা করিগুম্বা নহাকী চাউখোকচনিংঙাই ওইবা ফংলমত্রা হায়বদি খাঁড়য়ো-মশাগী মতৌগুম মহুগী খাঙবা নতোন্দ, পীবা ঙমদে ; অহুবু ঐ লৈত্রবা মতমদা গোকুলনা য়ুম পুদুনা খাগী মথাদা লৈংনা নখোয় করিমত্তা চিংনিনিংঙাই লৈরোই, মহু ঐনা নঙোন্দা শেংনা হায়রিবসিনি ।"

মপুরোইবনা তুংদা ওইরকঁবা থা 'পঙ্কপদা অবানৌগী খিংলুপগী মপী ঔবা চেক্লক্রে ।' হায়রকই, "মহু ঐ থঙৈতে । অহুবু গোকুলদি খাম্না চংজবা মীশক্কি— মাবু করবাংগী মরম 'কুষ্ঠী'খঙবা ওবগত্রা ? মাবু মী পুক্কপ্পা চৌগ তৌবিগনি ।"

বৈকুণ্ঠনা হায়রকই, "খুদিংমক্কি ঠোং তৌবোই। অদুগি ওইরগা কনা কনাগুম্বনি ঠোং তৌবিগনি, হায়বসিদি অচুম্বনি। মহ ওইকসনু, অদুবু মাগদি কনাগুম্ব ঠোং তৌরোই। মদুবু মরীমবদি হাবে। ইমা লক্ষ্মীনা মাগী মখুত্তা মবোতনা থোংনা লেংশিনবিরগনি।"

অসি ভাংনা ভাংনা বৈকুণ্ঠগী মপাগী মমিংতম্ব শীরাং থাংলক্লে। মহাক মপামকম্ব লৌখুৎ-লোকোই লৈতবা মীশক্নি, অদুবু খুগাম্বোল হাংলদগী মতম কয়া অমাম্বা মংলকপি। লৌমিত্তি কয়িক্তবা থরমটেং তানশিন্দে, অদুবু মতমগ্ধু লোই-শিন্নক্লে। মহাকী মপাক্কল মথৌনাঙ্গু অমুক লৈরক্লে। হাপু হাপু মগী তৈংথোক্লগা লোক্তনা হায়রকই, "খুখুবেমবী, অমুক অচাং ওইবা গোকুলনা অমুক চাউবা মপাম-মীবো থানোকপা তক্লে, মসি কয়াগী মতিক কনবনো হায়বা মতৌদি খঙলমদবগ্ধু যাই। মসি তঙবা মহাক অহুদি কায়বাগী মরম অমাম্বা শঙ্কক তম্বা লোইরবনি। থরদং হাংদিবা অদুদি ঐনা মতোন্দা তম্বিগনি।"

"অদুবু মীনা কয়ি হায়নগদগে?"

"মীগী হাদি থওদে থৌ অতোপ্পী। ঐদি তমগী ঐথোয়গী হানমক থৌই। ঐ থৌই, মাগী মখুংতা মথোয়বু শিররদ্রুনা ঐ খুয়া খুদিংনা মিং উইশিনবিবা ভুযগনি হায়বা।"

ভবানী মপামক্কনু থুমিং থরিবগী মপাংদগী উক্লকনি,

মাগী মপুরোইবগী মপা লোমো নোংমগী মখেং তাথরকপগুম তৌই হায়বা। মাগী অয়োইবা বাদা সুংদা পোক্লগদবা থুমোংবীবগী পাউবেঁল ওইনা থম্মোয় কাওরকুনা কপথোক্লে, হায়রকই,"করে পুবিগে।"

অদি হায়রগ! মহাক মপাবক্কা গোকুলবু কৌকহনা পুবক্লগা মপুরোইবগী মথুংতা শিন্নরে। মচাবু হুম্নিবগা হায়রকই, "মপাথুংগী লোয়ননা হুকাপা চংলো সুপাবচা! নত্তনা মী ওইরবদি নকুব থুপতুনা ঐথোয় কোয়া হিংবা কগনি।"

গোকুল চত্তকুনা মমা-মপাগী মাইথোংদা য়েংহনা লৈ । অদুগা অসিগুম্বী ওমাং অহিংবক কয়ুংদা হিপ্পা হিপ্পা বাপকবি, পাক্লিবা চহিসিগদি মওং অমমবু ওইবগদু পাপ তৌগনি। সুপ থাদোকুনা হুকার কশা চংবা হায়বদি কমাগুম্বা অদুগা অমতগী মকমদা চাউথোকচনিংতাই ওইনা লৌনে; অদুবু কমিগুম্বা মুখিংতম্ব মহাক্তি মমাদা হায়বা ইম্বা তৌনে। ক্লাস অমতদা তম্মিরবগিংনা করেরবনা মাগী থম্মোয় তিং পোকনেবি, অদুবু মহাক্কা কমিগুম্বা চিংমবা অমতা উংতে, মমা-মবিল মাইদনা মপাগী মতুং ইনখ্রে।

অহুম

চহি ত্রা হৌরে, লায়না চেল্লুবা বৈকুণ্ঠ ইপাহকস্তু অশিবগা লাপ্তুংনহুনা কমুংদা লৈরে। অদুবু গোকুলগী মরিদা মহাক্কী রাঁথল লানখিদে, মহু মহাক্কী যুমহুদা হন্না য়েংলুবদদা থৎবা তম্মী। গজগী মহুংদা পোৎচোয় য়োনবা দুকান অমহ লৈরে। মহুগী মহুত্তা অপুনবা থাবা দুকান অচৌবা ওনরে। মকমহুর্দা লুপা লাক লাককী কয়বার চথরি। বিনোদ কলিকাতাদা লৈহনা এম, এ, তম্লি। বৈকুণ্ঠ মত্ত মুপা-মুপীগী মশক উরগা শিবা কংলমগদবনি, অদুবু মুমিং থরনিগী মমাংদগী মচানুপা অত্তোপ্পগী মরিদা মথল-মথেলগী ফত্তবা রা তাংন-শক্রবা তাবর্দা মহাক্কী লেমহৌরিবা পুক্সিগী মুমিংশিংহু অচৌবা পোৎলুম অমা ওইবগী পাংথক ওইরক্লি।

মুমিং অদুগী মুংথিলদা বৈকুণ্ঠনা পুক্সিগী অরে.ইবা মতম থুংলরে হায়বা থত্তজবা তমরে। মপা 'পুম্বদা করিনো মওং অমদা ইপেন (°জ্ঞ০তগা লোইনদা যুগুরেনবীবু যমুং মন্নাদা কৌশিল্লগা মমি-শারি ওইনা নোককেৎ তৌনা হায়রকই, "মৌ অতোপী, ঐদি মতম ওইরক্রে, অদুনা থরমথৈ হায়না চৎলপ্পা তারে। মতম লৈরিমথৈদি ঐগী ইচানুপা অনিদু য়েংবি-থিবিয়ু। মতগী মখুৎমত্তদা মথোরবু শিন্নয়ুবনি।"

মপুংফাইদবী মাঙুংদা থুংহু মথুং শক্তিগী শাত্তনিংদুনা ভবানী হুপিরা কপচুনা লৈরে।

বৈকুণ্ঠনা হায়রকই, "গোকুলবু চেনত্রবদুনা যাগী মথা শিরবদা— ঐহাক কবিরজনা লিকাসয়গা অমুক মকা থুবানবগী যাম্মা লৈত্তরবাদি। ঐ কবিরজনা মতংদগী থুমোংদোইদবদি, অদুবু ঐ ইত্তোমবদা গোকুলবু যোকখা চরগী যাম্মা উকহুবা মতম অদুদদা মারা তানা থাম্না কাঁনা কীনা সাবিবনি। ঙৈবদা ঐগী পুক্কিংগী বা বড়াবিবি; অদুবকা মতুঙগী হগী শীবিহনা লোংমতবু নবাবা মচেং নমত্তা কাংলকবিদবনি। ভবানী নিবোংবদা কবিরজনা ঐগী শরোইবা মতমশিদা অমুক হাক্কা যবাবা শীবখবদি করাবা থুংনাইবা ওদি চংবিবা ওয়মপণা!"

তাংবা তাংবা মাগী থুংবিরবা মথিং অনিহুনা শীবাং থাংলক্লে। ভবানীনা মকি ফিভিনা মগী তৈফোকশিন্ধে অদুবু মাগী মপাগী মথিং অনিহুদি শী বিংতমবিরে।

বৈকুণ্ঠনা হায়রকই, "ঐ শিবা তাওবা ওয়রেরেন মৌ অঙ্গোবী, ঐ লৈরবা মতমদা ঐনা অহুক মানা হোংবমত্রকবিদা হৃকাল বিনোদকী মথুং চৎবিবদা হৃথিং নিনিদা থাংহনবিগনি। থুংনাইহন্না অদুনা ঐবু শিনবা তাওবদু থাংবা ওয়রকোই— মতম অদুদু ঐগী মশোয়বদা ভাগোয়া থিজগনি।"

তাইহাকং গোপালনা হায়রকই, "ভবানী মহুৎবনা হ মতমগী লেপকম লৈরোই— ঐগী গোকুলবু মচু-মচা থুঙনা অমবাংবা লৈরা থাই।"

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible] তথা

তথা [illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible]

[illegible] তথা তথা [illegible]

[illegible]

চুমিং অহুমগী চুংশিনবা উকিল কৌবপগী লৌনাগী মচুং ইমা, উঠইল ইয়ে। বৈকুণ্ঠ মপাদা তাম তাবা সম্পত্তি পুম্নমক মহাকী মচানুপা অমনমা ইচুনা লৈরে। মাপীগী মিং ইবুংগো অনাবীগী মচুং নিকখ্রে। মচা চুংশিনবা অমাম্মকো লোংচুনা লৈরমহুনা হুরা মরা মাগী মচুং তাপ পাবহুনা থাবকই, অহুম্ মাথনি ওমনিত্রে। মপুরোইবগী চুবা-থনান্ন অনি অপোম-চুংব তেংবা থাগোমহনা মহাক্কা খোইরি খোইবিগা খরেক্কা মপাগী মখিং মহি তৌরে।

বিদেশ কবিতুপা মা অমত্তা থতপমরে। মবাকি মতম অহুনা কলিকাতাদা কতম কোনোমী থমমা, মতুগী মথক্তা হেমা চাওশিনবা ওকবশিংগা তৌমহুনা চু মকুনা থাজহুনা লৈ। মচুমগী লৈকাইগী চুপা অমিনা মহাকপু লৌমবা পাকই, মখোয় চুমিং মিমি চুম্না মহাকী লৈকমদা অরেমপা তাইহুন লৈথম্রগা হকরে।

কমানচু পাউ অহ বৈকুণ্ঠদা পীক্কমক্তা ইচং খোকপা ওমপিরে মহাক্কু মলিগী মরমদা কমানচু কহিমত হংলে। অহুমু মহাকী মককদা অরোংগা কহিমতা লৈখিরে।

অমূকসু চুমিং মিমি অমুক থংপোক অমুক হেক্তি তৌহুনা লেপ্পা তদি অমুকশীগি মহাক লোম হোৎনবা থাবা লিরে।

চুমিং চুম্না উচুপ তাবতম তাহুনা লৈরকপা মতম মতুমা মখিং পাংলকই। অমাকী চুবুব ওইরবা কমহুনা লৈ লোকচুপ কমহুনা কপ্পি। বৈকুণ্ঠগী ইচ্ছিত মচুং ইমা মহাক

থঙ্গা হকশিন্না চংশিল্লকপা গোকুলদা, বায়া পিক্না হায়রকই, “বিনোদ থজদে পাঞ্জি কংজিনরোইদে গোকুল? মদু তক্কবদি মহাক লোইরমগা লাকয়বনি।”

অদি হায়না হায়বা মহাক্কী বিনোদগী পী মতুম অমা তঙ্খৎনা তাখ্রে।

তুমিং কয়াদি অদিগী মতুংদা মহাক্না বিনোদকী মথিং অমুক্তা কাওবা মতিক্তা পনখিদে। ইথক থওহোদনা অরোইবা মতম অদিদা মহাক্না পাহুগী মথিং পল্লকপা মপুরোইবগী মংলদগী তাবদা হুংনাংবা, হুংজাইঙবনা ভবানীগী থম্মোই কায়থিলরোয়রে, অদুবু মহাক অতুম মাইথোং কুক্তাহনা কয়তুনা লৈ।

গোকুলনা মপাবুংগী পী চেথোক্লকপদা মহাক্না হায়রকই, “থিংবদি বাবু উবা ফংজে, অদুবু মতোংদা হায়দুনা, এনা বাবু আশীর্বাদ তৌরম্মী, লোংমা মহাক অকনা মী অমা ওইহনবা। অদিগুম্বা মখাগী মবুকলী চাবা মচানা বরিষ্ঠকীসু মতৌ অমুক্না লেনবা ঙম্লোই। থেংলোই ইরুবনো, মতম অমুবানকী মনাওমপাবু হন্দোকহুনা থম্লোইদবনিকো। অদুগা মচগী মখা অমিমু লৈরোইদে— থকবা তংনয়া তৌবদনা অদিগুম্বী মখা কংজবদি গোকুল!”

গোকুলনা মতাংগী মতৌগুম কথা কথা হায়রকই, “বাবা, থৌগী ইমা এগীমক ভইনা লৈরমদ্রি; অদুবু বিনোদকী কম্ফাম তথাম অমা পীবিয়ু।”

বৈকুণ্ঠনা হায়রকই, "অভো গোকুল, এমা ইমা মামা হোংলহৌবা তাইবপা পম্পানিদি— মশিমু মাংলবা ঊরবদি লাইরয়েন্দা লৈহনদু, ঐগী অপোকপা তাপোমা ঈরদদি। মদু ঐ কঁরগুম্বা মওংদু থাংবা ঙমোই।"

অসি হায়রগা মহাক্কা লমা কুইনা ঙাক্নবাগী মাইথোংদা য়েংলকই, ওইরবা য়াই মপুক্কিংদা মহাক্কা অদোমগী আশীর্বাদ তৌরগা মখিৎ থাইনিনখিবা।

গোকুল মপাপুংগী মথোঙদা তুম্না কপ্লে। বৈকুণ্ঠনা অপ্প অপ্প থাওনুনা চেপ্পা হিয়গা তুম্মিন তুম্মিন হায়রকই, "মচানিংঙি লৈবোবেঙা থো অতোপ্পী, ঐ হৌজিক্কি চৎলগনি।"

অমুক হন্না বা ঙাংখিদ্রে। অহুগা মথং মুমিংকী মুমিং অরং অরং হন্দোরকপদা লোয়নবা মহাক্কী থবাক হকচাং থাদোকখ্রে।

মতম অহুদা ঈমা বা-কপ্পা কপ্পা ঙাংলে। বৈকুণ্ঠ কায়বাক ঐবা মীওংক্কি অহুবু খাশিংবা ঈমি নত্তে।

মক ওইনা থোইদোক্কা মংলবদগী থংজাং-খাইকয়কপদি হায়হৌবা মেকুবা অমদি মকপ অখিবক থাপী থবথৌ, যায়া লে। মকপকী কাংবুবা য়াগী গুণ শিন্নাবনা হেকংশোইদংবা য়াম। অহুগা মেকুবা কাংবুবা তিন্দা তৌবগু হৌবা লৈবক্তা অমোকমা মহাকপু আইবকপনি হায়রুবা, থৌম-থজনমকি হায়রুবা, মুখিং-মুথংদগী থোইকপদি হায়রবা কবেক-কবাইবনা [illegible] তৌই। অদুম ওইরমক কনিমু লৈচবা থজাং অমমুদি [illegible]

হাকথা ঙমদে মতুংদি, অদুগা ওইদিবা ওইরবদু মরমাক-গৌরব তোঙা থীগদি ওইদিরে। মশাগী মথেল থোকপদগী লোঙা কৎলদু ঙম্মিতুনা হুম্মিতদু ইপনা মচাংবী গম্বা কাওবা গৌরব তৌরে। মক ওইনা লপ্পোনবগী মরিদা মিতা অদিমক মহাক্কা পোইরোক্কা থাগী মচাৎপা অমমবা তত্ত্বিবগী।

বৈকুণ্ঠনা হন্না হন্না হায়রমী, "গোকুল, ঐগী থাকম অদি ঙম্মিতুনা হুম্মিতদু কাউরোইদবদি হুপাথচা, তৌপ তৌহনা ইকেগৌইথেদু মথাজমবু হাংনা থারোই। মহুনা মথৈবা মশামকপু শিংজবদি।"

মশাগী মশম তৌরবা মকোক্কু উংহুনা হায়রমী, "লোক অদিদা লোং-থুংশিং থমা থবা শিংথে গোকুল, অবা-অনা থমা থমা যংলক্কবদি, অহুমু মদিগী পাক্কনা ইকেগৌইথেদু কনাগী মকমবদু ইকোক লোয়রে। ঐগী মর্য্যাদা অদিথংদি লেংদনা থম্মু হুপাথচা।"

মরি

খিরোদনা লম্পক্তি থংজে হাথবা থাকম অদি থওবল্লকপগা ইপকাইগী মী অদি-অহন্না ইপথবা শেল থমক তৌহনা কদিকাতাদা চংহুনা খিন-হুনা হৌরকই। মতম অহুমদি ঙম্মিতুনা থাকম অমুক্তা হুপচাঙবা ইথিরে। মথোক্কনা হমক্কনা খিরোদকী লোনচং-শাবং পুন্নমক থায়রোক্কুনা চাপখেনা কোৎথোক্কে।

অমসুং মক্কিমদি অনিমক্তি মহুক্তি, তোম্বিকন অথুম্বা গোকুলগা অসোয়বনা মাইকনবা তৌবিবা অদি মরা লৌখিদে। মহাক্না শাক্তিনা কি কি বাক্না হায়খোঙকই, "থোরাবীশিংদি হৌবা ওইবিবা তাংবা তাকনি। মতমগী মতুং-দা ঙসংগী অমুক্তা শাখিক্লিবনি।"

বাক্না অমম ওইরবা বাঁড়ুয্যে মহাশয়না মীসিং কোক কোক অহুনা লাকপা অসেংবা কনখোক্লে। বাক্না বানা থোকহনবা কক্না তোক্লগা হায়খই, "গোকুলচন্দ্র, ঐগী হায়বা খুদিং হন্দি চুক্না চাক্লবনি থুংলবনি, মমকাশ্রীগী পদি শনি থোইদুং থুংবা চংলুবনি। শুপা কুম-কুমগী তিংলবা অহুমবা থিবা কংলকপনি, অশাংবু মপামদা লৈবগে হায়বা। অহুক্তুবা মতম্বু থিক্লবা কনাগী মতিক কবি লৈগদগে?"

গোকুলনা খোজেন বাক্না তুক্লকই, "ঐদি মন্যমম্থ নরচ তৌক হায়খিদেনা মশাই।"

বাঁড়ুয্যেনা অক্লুনা হায়খকই, "কক্কি তা'বো গোকুল, ঐখোয়দি নখোয়গী ইমুংগী মীনি। অহুমগা মতাম্বা চুপ্পা লৈখোকপদি মাই, অমসুং ঐখোয়মদি কমদোনা চক্লগদগে?"

"অরে, লেংবিরো লেংবিরো," ইশাগী মথী থুংশিল্লো।" হায়রগা গোকুল খোইরোক্লা তৌম-অক্তনবগী মশাংদা অতোক্লা মকমদা চংলে।

থোংবা নিনি অমুক্তা মতম হৌরে, অহুম ওইনরক থিংনোম শাখল্লে। মখোয়না মীং-তপ চনবা গোকুল অসেংবা থিরক্লে।

ভবানীবু উবদা মশক থন্তবা ওমদ্রে, তুমিং থরনি অসিদদা মহাক্কী খিন্তম অম্মুম্মা হোংদ্রে। তুম্মিম্মা মরু লুক্কা থৌগ-লৌরিবা শ্রাদ্ধগী থবক ইখাং লোম্মী— মচানুপাগী মমিং কাওবা মচিন্দা পন্দে।

চহি অমরোম অসি বিনোদনা অমা নত্রগা অমা হাত্তিন-হুনা গোকুলগী মকমদগী শেল লৌথোকই। মহাক্কী তুপী মনোরমানা বাকস অহু হায়না চিংনহুনা মপুরোইবদা চেকশিন-ননবা হয়া হয়া হায়জহুনস্থ মনাদা হাপ্লিখিরে। বাকস অহু পজুবমক্তদা ওসি অয়ুক ফমং শাউগংলক্তুনা গোকুলনা হায়রকই, "বিনোদনা মপা কনাগী শেল মাংহল্লুরবা মতম অহুদদা মথোরমা বা ও অদবনি।"

অসি হায়রম্লগা থুনা য়াংনা চংখিহুনা মহাক্কী মমা অত্তোম্বীগী খোঙজিন্দগী খোঞ্জেল হৌনা হায়রকই, "অহুক চাউবা শিংথোরেন বাবণহু তুপী-অভাংগী মরা লৌরুবদগী শাগে তুম্মা মাংখি, মহুমক ঐখোয়দস্থ থোক্লরগদৌরা! কনানা পাবুংগী মনাকোংদা চিরোন মখোঙ পান্দুনা উইল তৌননবা ইরশিন-খ্রিবনো ইমা, মাইকৈ পুম্মমক্তা ঐবু লৈথা তাহল্লিবসি।"

ভবানীনা চেক্রুহুনা মমাই নোনথংলকপমক্তদা মহাক্কা মথুং-মপা হাইহুনা অশাউবা খিন্তম পুথোক্লুনা শং হায়দোকল্লে, "নহাবপু ভবরা মীনি হায়না লৌরগনি ইমা, নহাকস্থ থাথা দস্তে! তুপী হায়বা অভ্ত অসিদবু অম্মুম্মা তৌই!"

অসি হায়হুনা অশোকপা মকমদা থুম থাক্লম্লগা মহাক লাকপা অহুম্মা অহুম চংল্লে।

অমত্রোমদা চুকান্নাবনি মহুগী মথক্তা থগৎবনি, গোকুলগী মা তাৎবদা মরাম্না অমুম্না লৌনৈ। মক ওইনা মহাক্না পাউ-মরুমদি হায়দনি হায়বোই থওদনা মচিন্না খোমকপা। অদা হেক্তা তাংথোক্লুই। মশিন্দু কুনানমু থওমদবা মতো। অদুবু মহাক্তী হৃদয়-মরক্তী যাওাং-পাওাংশিংসি হাইগংমল্লি হায়না মখি-মতা অমত্তুং মীতোপ পুম্নমক্তী মপুক্কিংদা থম্মে।

মুংখিদ মুখিদাংবাইদা বাঁড়ুয্যে মহাশয় চুম্মুবদগী থৌগংলগা মমাই-মখিং তাখি— থওহোদনা গোকুল চংলকই।

মুখিং অহুদা ঐকাইবা পীপ্রমত্ মহাক্তি অচৌবা মীনি। মরম অদুনা মহাক লাকপদা অংল অদু তিওক-মাইকক্লকে।

গোকুলনা নোট অদুমথক ব্রাহ্মণগী মথোক মমাদা থম্লগা মাইথোং মক্তা নোমুকপা মওংদা হায়রকই, "ওঝা-ইবুংঙো, বাবাগী মুখিং অহুগী খরচ অদু থিরবা লাকচখিবনি।"

"মারে মারে, মহুগীদমক অমুক থমুনিংঙাই নৈতে ইবুংঙো, মথোয়গী কয়া চাত্রেদনা কয়া থকত্রেদনা।"

অসি হায়রগা বাঁড়ুয্যে মহাশয়না নোট অদুম অদু মুক্তগংত্রে।

গোকুলগী মমিতগী মপী তাম্লে। নৈথোর থিখিনা নৈংথোক্লগা হায়রকই, "কদায় ওসি কাওবা থিনোদ মলেক্তনা ওঝা-ইবুংঙো। বাবাগা লোয়নদুনা ঐ ওলিবক অমুক্তা চংলুদে?"

বাঁড়ুয্যে মহাশয়না মথা 'পুখা কয়া থিক্লনা হায়রকই, "নত্তে নত্তে, অহুক্তগা বা চিন্দা থম্মগদ্ ইবুংঙো। মকমদুদু

মহাক চৎকদৌরিবা, ঐগী হারাওদ নৈনা ইনবা ? য়াদে য়াদে, মদু য়ারোই—হয়েংমক মাবু থাগদি।"

গোকুলনা মচক হাইদুনা হায়রকই, "যত্তে ওবা-ইবুংঙো, ঐ চৎলুক্রবদি য়ারোই। মাদি য়াম্না য়াবৌগাউবনি — অমগী উইলগী বা তাবদা য়ারোইদুনা লাক্তবনি। ঐগী চিনগী তাবরদি মাম্না কনাগী মবাদা অমুক থাজগদবা নৈতে। ইবা-ইপাম্না ঐগী মাংনবা শিন্নিবদি কবি মত্তৌনোদো!"

অদি হায়রগা গোকুল খচহৌদনা মপী তাবা কপখোরক্লে।

বাঁড়ুয্যে মহাশয়না মতং করাদা খেমজিল্লকই অমসুং মহাক ক্লিভয় অসিদা করিগুম্বা মওংদদ্ যকম অহুবা চৎলুনা য়ারো মত্তে, হায়রগা হয়েংমক হারাওনা থংদুনা মাবু কৌহনুগদি হায়না হন্না হন্না য়াগল্লকই।

গোকুল উপায় নৈত্রদুনা নোট মতাংগা অমুক হারাওবা থরচকৌদবক শিনরম্নগা মপী কৈথোক কৈথোক্লা মচুমদা হনরে।

তরা

ষাষ্টির অয়নাদদা গোকুলনা লোমা লুপা যাবিদু য়ুব পীরকই—মাকম অসি তানবকপদগী হৌনা অয়াবনা মহাকা যাথল খেমবা উদুনা কলপ কলপ য়েংলরকই। মহাক বিনোদকৌদবক থাংওয়জি, অদুম ওইনবক বিনোদনদি মহাকপু যাঁ

কাওবা য়েংবিদে— অদিগুম্বা অমা কাওবা থাম্মল তৌনরে হায়বা ইমুং হুম্নগী মী পুম্নমক্তা মিংয়েং-নায়েংদা ভাব তাহ্না গোকুল মপুক্কিংদা থোইদোক্না নিংজিং-মাংজিংনরে।

থুমগী শগোল-গাড়ী হৌরম অসিগী মরিদা চুঁহুবা স্টেশন তরারক লম্না চৎলুবা ওইরম্মা যাই।

গোকুলনা থৌশাদবা মওংদা কোচম্যান্দা হংলকই, "কলকাতাগী অতৈ গাড়ী লৈরক্রবে নখোয় লল্লক্রবদি ? চৎলো চৎলো, নখোয় চাইক্রদো।"

কোচম্যানা নোল্লুকপা মওংদা হায়রকই, "অতৈ গাড়ী অদি লৈরি হায়রবদি যাই, অদুবু শগোলগী দানা-ঘুংনা কংদে হায়রুনদি হল্লকপা তাখিবা।"

গোকুলনা মিংকুপ্তা করং শাউগংলকুনা থমকা তৌহনা হায়রকই, "বাবুমচা মিঠাই-সুংঠাই যাম্না চাহনা লাকপা ওইরি-জিনে, অদুগা নখোয়গী শগোল নবাব অদু মিংকুপ অমত্তং দানা-ঘুংনা চাদবদা শিরগদবা ! চৎলো, হৌজিক মক চৎলো।"

মবুংতোগী রাখল থরবা ডমত্রহুনা কোচম্যান কঁথী-কীক্রম্না সেলাম তৌরম্মগা চৎখ্রে।

রসিক চক্রবর্ত্তী মতম কুইরবা কর্ম্মচারীনি। থুম অসিদা মীপুম থুদিংমক্না মহাকপু সন্মান তৌই। মহাক্না হায়রকই, "বাবুমচা লাক্লবদি গাড়ী ভাড়াদা লৌহনা লাকপস্থ যাই। ম দুর্গীদমক কবিগীদো অদোম্না অদুক খিদংপিরিবা বাবুচৌনা ?"

মহিক মনাক্তা ঐন, মরুবা গোকুলনা উবগদে। 'লৈকাই-দুমুদুনা, হায়রকই, ঐদু কিমথং কুপিনক্সা মমাইদক! দিবা যাগো-দযক্কু? মহাক্তা হাযরিদুদু কবি আম্রো। চক্রবর্ত্তী মহাশয়? মমশী হুগীশিংনা থমুম্না খরিং মুংথিন লাইরনা থগুংদা উবরবাদ ঐদি বাবু মুখদা কাওবা চংবক্লোইদবদি। গোকুল অদুবনা বনা শাউরক্লবদি পুক্তেকপা নুং শগ্না মালদক্রহনি— হায়রো।"

মসিক্কা থওদনা কহিদ ঐদক্বগে। মুমথী থুংগীশিংনা দিবোদ ঐভতবদা লোংযা কাওবদ্রু মপী থাগে হাবনা থোক্কা লক্কই। অদুবু মদি পন্দুনা অমুক বেংনুবদ্রু ভৌরে।

মায়া চাউক্লা মপাবুংগী শ্রাদ্ধ লোনশংবোরিবনি। গোকুল মচুগীদমক্তু থরক থাক্লা চিক্লি। অদুবু মকোং অদিদি থাগী গাড়ীগী চাকাযোয়দা মাক্লংহুনা লৈ।

পুং মুখিগী মচুংদা মথাক্কা থাক্না লাপ্না গাড়ী চাকাগী থরুম্না মখোঙ ভাক্তুনা থম্রিক চক্রবর্ত্তী ভাদনবা মীনাইদু কৌহনা হায়রকই, "ঙাই, অমুক্তা থোক্তুনা যেংবুচোদনা, ঐখোয়গী গাড়ীদা! শগোল্ক অনিহুবু থাগীনা হুদিকগী শাউহনা থাদে কুনিমং হায়রকই, অহুম্না মহুকা মখোয়না অহুমনি থন্দুনা গ ভ্রা পুহনা ঐশক্লা চংচবা শাক্রিবাদে। মঙ্গল ভেকনা ইমাওগী-দুক্ক অমুক গাড়ী থাগদবা। ইক্ষ অভোথীনা শাউনক্লি হাইহনদু শগোল অনিহ হেনোকপা মাবা লক্তে।"

মুন্সিক্কা ভাবে, অদুবু অদংকদ্ম বা অমসং ভাংলো।

ভাইহোকং নৈরগা অহাংবা পাড়ীহ্ হল্লকুনা শগোল-শঙদা পুশিনখ্রে। মীনাইনা চংশল্লগা পাউ তম্লে।

ঘনিক মাংদা নৈ। গোকুলনা মঙোন্দা কংনোক মোক্লুনা হায়রকই, "অহৌদি অবেবদা থাকখবনিদনা। চংলো চংলো, ইমুংদা চংহনা ইমাদা তম্মুচো, মাগী লাইরিক নৈবা মচা-ইবুংঙোগী খুতিক-মঙ্গণহ্। ফযেং-হংচিং লাকপদা করিগুম্বা মাবু কোম্হোং লানশিনহনবা খোক্লবা, অদু ওইরবদি মতমহদা মখোয়না হায়জৌ-হোয়, মুপা অসি গোকুল মজুমদার নত্তে। অমুক্তং মাই নৈখোকপ্রবা মতমদা ব্রহ্মা-বিষ্ণু-মহেশ্বর লাক্লগা কাওবা করিগুম্বা মাগী মীচং চংহনা হায়রবা, অদু ওইরবসু মাই ওমশিনগদবা নৈদ্রে হায়বদি হায়রৌরিবসিনি। মহাক ইমাদা হায়কচো চক্রবর্ত্তী মহাশয়, পৃথিবী থক-থা ওনপ্রবসু অদুম ওইনমক গোকুল মজুমদারনা হায়দোকপ্রবা বাদি থক হোংলোই। মতম চানা লাক্লবদি থরবদৈ ফংজগদবনি; হৌজিক্তি নৈসা অমা কাওবা ফংলরোই। ইমুংদা চংবদি মাবু থিংলগদবনি।"

অসি হায়রগা মখোঙ গম গম থাংহনা মহুংদা চংখ্রে।

গোকুলনা কনাগী মথক্তনো শাউহনা মতম চাদনা লাক্লুনা সন্ধ্যা মতুংমক্তদা কমুংদা কাখংখ্রে; মহ্ ইমুংগী মুপী কনানসু থঙহোদে। মীনাই মুপীনা শজোম থক্লবা হায়জক্লবদা নৈহংতুনা থাদ্রে। মুকানগী মেনেজরগী মথক্তা ওবা-পণ্ডিতশিংগী বিদায়গী লিস্ট শেমনবগী তার নত্রি। মহাক্লা কা মহুংদা চংলক্লগা করিনো বা অমা হংজবমক্তদা ফং শাউগংলকুনা চে

মহাক মরুপা মচেৎ মচেৎ লেপ্লগদুনা পাংথোকখ্রবা হায়রকই, "বাবানা জমিদারী মচা ওইবা থনবা মতে, নিংথৌ নিংথৌরেনগী মতৌগুম পণ্ডিত-বিদায় তৌগদবা মতো। চৎলো, চৎলো, অহুত্তবা মচৌ-থপাং শাবা কায়দাহু খেনী ইকমদদি যায়রোই।"

মুপা মহাক খোইদোক্লা মপুক্কিং হুংশিদা অমম্বুং ঈকাইবা চৎখ্রে।

ভবানীনা থওনকুনা মাহুগী মপানদা খোঙজিন মরাদা চংলকুনা কমরে। হুংশিবগী লোয়নবা খোজেন শিক্লা হংলকই, "নঙ্গু মণা ওমদ-শাকবা তৌত্রবে গোকুল?"

গোকুলনা অহুম হিল্লুনা লৈনা লৈনা হায়রকই, "তৌদে।"

ভবানীনা হায়রকই, "তৌদবা, অদু ওইরবদি করিদ্ন চাদে, মতম চাদনা হিপ্রব্রা?"

গোকুলনা হায়রকই, "হিপ্রবনি।"

ভবানীনা ডাইহাকং চুম্মিদা লৈরগা অমুক হংলকই, "পণ্ডিত-বিদায়গী লিস্ট অদু শেগায়রিবদি করিগীনো? হৌজিক অদুক্ষমক বাতোন তৌহোত্রবদি মতম অমুক লৈরোই থুপাবনা।"

গোকুলনা অশেংবা অহুমা অহুম শাণ্ডথুব শীরকই, "লৈরগা লৈরেদনা।"

ভবানীনা হাইকেং চক্লা হাইকেং মাথৌনা হায়রকই, "করি বানো গোকুল, মতম অসিদগু অহুমা তশেবত্রবদি যায়রোই। করি তৌবগে ঐতোপ্পা শেংবা তমু— খেনা পুরমক কনবা শিনগে।"

মমাগী বাগী পাউথুবদা গোকুলনা মাগী কপ্পুগী কয়ুংহুগী হোৎহুনা অদিং লাওথোক্না কম্মী ।

কমাদা করম্বা মওংদা খী তাংগদগে হায়বা মহাক বৈকুণ্ঠ-ঠাকুর বৈরগে। বৈঠেল থক্লা হায়রকই, “মহ কী নবা লৌমিধা মীনক অদো ইবা, মহাক্কু পথা অমনি। বাবানা নবা লৌরগী হাপ্পুনা ঐমবু মদা লৌগজা ? ব্রাহ্মণ ভয়া পাঠ-শীথক্কগা ঐ হেক্তা শেংলগজা, কপিক্কবা অচাউবম কাবা অমত্তা তৌরোই।”

অসি হায়রগা মহাক থুদক্তা কপ্পাংলোবদা মমাই ওনশিন্দুনা হিপতুনা লৈখ্রে।

ভবানীনা খোজেল ঈংনা হায়রকই, “নত্তে মুপাবচা, মাদি মর্গ কাপ্লবনি— মাগী মরমদা অহুঙ্বা বা তাংবা হৌনদে।”

গোকুলনা পাউথুম পীরক্তে।

ভবানীনা তাইবাক তুম্বিনা লৈরগা অমুক হনা হায়রকই, “অমুম্বা তৌবদি মীনা কপ্পি তাংনগদগে হায়বু ভাসি মুপাবচা ! মাগী মামা কিত্তবগী “মচুং ইমা থবক তৌগদবনি, মহ তোক্লবদি মীনা ঈনা তাংনগদি।”

গোকুলনা অচুম্বা অহুম লৈনা লৈনা হায়রকই, “তাংনগে তাংবগদু থোক্কাবা শিনা। ঐনা কমাগীম্ব মপোং-মরল হক্লদে, ঐ কপ্পিদু ঐকাইদে।”

ভবানীনা হায়রকই, “অহুবু মচবা মপাবুমেদু পেক্লিগ-স্লে ? মপাবুংনদি লন-থুম অমুক ঋান্তা থম্বিরমি, মামা লোয়নবা মচুংইমা থবক তোক্লবদি মাদা হকতাবিরোই।”

ভবানীনা খঙনা খঙনা গোকুলগী অশোকপা মকমদা চৈথেং পীখনি। মপাবুংবু মহাক্না কবাগী মতিক হুংদিজবগে হায়বদু মহাক্না খঙই।

গোকুলনা হৌগৎলুনা কয়াগা পেহৌ পেহৌ তৌবা খোঞ্জেলদা হায়রকই, "খরচকী বা কনানা হায়বগে ইমা। মখোয়না খরচ তৌ; অদুবু সুবিং অদুকী মতিক হৌজিক্ক্রিবমথৌ ঐগী খোঙ-খুং কাপ্পি হৌক্রি। বিনোদ বাবৌহুনা নিংঙাইদনা লৈথোকখ্রে ইমা, ঐ ইংতোমদনা কমদোনা করি তৌগদগে?"

অসি হায়রগা মহাক্না খঙহৌদনা খোঞ্জেল খোক্না কপ-খোরক্লে।

ভবানী মশামকন্থু মপুক্লিং কাথকবা অমুক হন্নখ্রে। কপখোরক্লে, কনা কুইনা বা-লাং ঙাংদনা লেপ্লবা তুংদা মমৈথংদা মকি ফিজিনা মপী চৈথোক্লগা পীবাংনা থুমহংলবা খোঞ্জেলদা হংলবই, মাবু পাউ অসি তাবক্লগদ্রা গোকুল?"

গোকুলনা খুদংগা হায়রকই, "কদ্রিগী তাদনি ইমা।"

"কনানা মতৌন্দা পাউ পীখিবগে?"

কনানা মতৌন্দা ইমুংগী অবাবা পাউ অসি পীখিবগে হায়বা অদুদি গোকুল মশামকন্থু খঙলমদে। মাস্টর মহাশয়গী মচানুপা হারাণগী মহিদা মহাক মশামকন্থু চিংনবা পোক্লিবনি। অদুম ওইনমক কমদৌহনলো চিংনবা চৈতনা খঙবগুম তৌই— বিনোদনা পুন্নমক খঙনা খঙনা, তাবা তানা ভূপ্রী লৈকাইদবা অমদি বাবৌজবদগী য়ুমদা লাক্লবনি। মহাক্না মমাগী মাইথোং

মেংবুনা হায়রকই, "মহাক পাউথুদি কংলবদি। মাবা পুক্তিগী ওইনা চংখ্রে—নখিবু দানা থংলোইগদ্রবনে? ঐগী ইতৌশুম মাগী খম্বোর-মুংলম্বু হাহাকার লাউবগী মৈন চত্নমোইগদ্রবনে? মহাক পুন্দক থম্‌লিবনি ইমা, পুন্দক থম্‌লিবনি।"

ভবানীনা ওাইহাক ঙুম্মিনা লৈরগা মখৈথংদ। মা চাংলকপা মতম অদুদা গোকুলনা চক্লুনা মেংলকই—মমাগী পীরাংনা খুমহংলবা খোজেল অদু অমুক চেংশ্রে। অদুবু মহুদা মৈচাকপু যাউদে। অচম্বা খোজেলনা হায়রকই, "গোকুল, মতমকপা কবিগুম্বা অদুগা ওইরবদিনে মুপামচা, মতু ওইরবদি নমাঙগীদমক মঙনা থাকরদ্রু। খলো, ঐখোয়গী শাগৈদা অতোপ্পা পীবা অমমুক লৈরে হায়না। অশাঙবনা খুমহংঙুনা মমা-মপাগী অরোইবা মথৌ তৌনবা কাওবা য়ুমদা হল্লক্লবা মহাক অদুগা ঐখোয়দু কবিগুম্বা মখি অমত্তা লৈমদ্রে।"

গোকুলনা থাকম অসিগী পাউখুম কন্নি পীগদগে হায়রবা খনখরা খোক্রুহনা ঙুম্মিনা লৈংদ্রে।

অদুবু পাউখুমদি মাগী মুপীনা পীরকই। মহাক্না খোঙজিন মরুমদা কমছুনা থম-নৈনবা পুন্দক তাবশ্মী। মতম অদুমতাদগী মহাক্না খোজেল মাম্না শেংনা হায়রকই, "থাজাহনা কবিম্বু থওবা অসিগুম্বা থবক তৌবিরম্রিত্রবনে? মহাক্না পুন্দক থম-উবিরম্মী। মুখিং ছুয়ি মরুমি চংনা কলকাতাদা বোর্ডিংদা ইনাও-ইবুংতোবু থিরুবদা ফংখিবদ, মতম অদুদা মহাক্না মাগী মগুণ পুন্দক চপ চানা থঙশ্রবদি। মহাকা সম্পত্তি পুন্দক

মপামক্তা কয়িগুম্বা নীংথৌকপিরম্বদু ঐথোয়না করামগুম্ব অমুক পোক নীরবা ঙম্লোই। মহাক্না অহু-অদা য়েংদনা হেক্তা ইনাও ইমাও হায়জবনি, অতোপ্পা কনাগুম্বা ওইরম্লবদি—"

কোংচি অহু লোইশিনখিরে। অহুগা কনাগুম্বা ওইরম্লবদি করি তৌরমগদগে হায়বা অহু মরেক শেংনা হায়দোকপা মতাং অসিদা থৌ অহলনা অয়েবনি হায়না থমমারে।

অহৃ ভবানীগী থম্মোয়দি শাথীনা চৎকরে। ময়দি মসিগী মথাংদা মকুথোক লৈখিদ্রবদি থৌ অহলনা অসিগুম্বা য়া কয়িগুম্বা মুখিভম্ব তাংখিদে, মহুদা লম্ভনা মথেথোকপী মাংদা মপুথোকইবদা মহাক্না য়া ভগতাং তাংখিবা লৈতে। মুথিং থকাদি অসিদা মহাক্না অমুক হাক্না ওমংলমকপসিদা মহাক চৎলরে।

গোকুলগী অহানবদা কয়দৌননো মবুক্কি ককচিনবগুম তৌই। অহৃ থংনবা থিংকুপমক্তদা হাংহুনা লৈখিবা থোঙ-লোয়দা মথুং য়েং থিন্নুনা ভবানী য়েংহুনা ভগেংনা থিজংগদী মতৌগুম লাউ-থোংলকই, "তাও ইমা, তাওবো। মী মচাগী মচানুপীগী য়া ভাও।"

মহুগী শাউথুমদা থৌ অহনবা লাউ-থোংলগে হায়বদি য়াই, অহৃ অমুকঙ্ম থবগা হেন্না চেংশিনবা থোকেলনা মপুং লোইবদা অপাদনা হায়রকই, "ভাদিমু, হায়রিবিংবদু ইশাদা হেক্তা হায়দিমু। তাদনবনা ইপা পাবগুনদি— ঐগী ইপাদগী মহাকী মপানা হেনবা বত্তে।"

পাউখুম শীৎলবগীদমক গোকুলনা মচিনবার লেংলকই— অদুবু খেঙ্গেলদি খোরক্লে। অদুবু মহাকী মমিত্তগী মৈরিক কাপখোরকই।

ভবানী ভসায়মখৈ ছুম্মিন্না লৈরম্মী। হৌজিক খোঙ্গেল তপ্না চৈহংপগী খোল্লাংদা হায়রকই, "মৌ অহল, নত্তনা বা ভাংবগী করি কারণনি হৈবস্সা। চৎলো, নখৌ তৌজক্কুচো।"

মৌ অহলনা হায়রকই, "বাবুদি ও কৈদৌঙৈদস্সু তাংজ-রক্তবনি ইমা। মীনাই-মীশনগী মতৌগুম ত-নোমহুনদা লাক্লিবনি, অহিং-মুংখিল থাক্তনা নোম্বদা শিরবনি। অদুবু মহাক্না ছুস্না চাবা পোথাবা থত্তদবগৈ— ঐগী পাশ অদুক তৌরবা ইনাওনি, পাশ অদুক তৌরবা ইনাওনি হায়দুনা মীজোন্দা কোইথা থাগংদি! অদুবু মনাওমদি মুমদা চক্কপদা অপত্তবনি হায়দুনা বা-লাং অমা কাওবা করিগুম্মা দুমিত্তস্সু ভাংদি-শক্পিপোং নত্তে। মহাক্না মশাগী ঙকাই-হজোইবা থত্তজরবদসু অদুক বা চাংনুবগী দরকার লৈখিগন্না?"

অমি হায়রগা মহাক মিংকুপ অমা কাওনা পঙ্গরমদনা মখোঙ শন শন থাংদুনা মশাগী অশাউবা উৎতুনা চৎখ্রে।

মহাকী বা তাবদা ওসিদি অদুক কুইরবগী ছুংদা ভবানী নুংঙৎখ্রে। অদুক কুইরকসি মহাক্না মখৌ অহলবু শক থত্তবা ঙম্মদে। হৌজিক থত্তবা চম্রদুনা মহাকী অবাবা, মুংঙাইত্তবা অমদি চিংনবগী ওমথৈ-মুংথৈ অমুক লৈখিত্রে।

অহুবু মৌ অহল তশেংনা চংখিবা নত্তে। মহাক্না মাজোল মচি অমমগী কনানদু তাবদা কবিমত্তা খুদোংচাবা নৈরোইদবা মহুদা মিংয়েং থম্লহুনা অমুক হন্না হায়রকই, "বাবা শেল তামবা মতমদদা তপ্লগী মরাম্বদদা মতাবা। ঐখোয়গী মাবাশিংদু পাপ কয়া কয়া তৌবা উনরবনি। অহুবু চেকশিনহৌদবা হায়জকপা মতমদদি হুন্মুক থাই। অহুনা বাবু, থাগে খাদিয়ো অহুগা থুমগে থুম্বিয়ো, ইশাগী শেল অনুম্না অয়েম্বদা থরচ তৌখোক্লুনা লৈবা তারবদি ইচাশিংগী মশক উবদা ঐদি চুংগী অমুক থন্দনা মিং উইশিন্দুনা লৈখোকপকপা ওমজরোই। অপঙবা মরাম্বা কংজরবনিনা ওয়মখৈ ঠোগ তৌবেদনা। ঠোগ তৌজদ্রু, ঐগী ইথৌ করি লৈ? মহাক্না মচাশিংদনি চাক্তি-ফিদিরপদবা।"

অসি হায়রম্লগা মৌ অহল তশেংনমক চংয়ে।

গোকুলনা মখোঙ-মথুং কাওহুনা কন চোংথংলকই। চংঙ্গবা ফুপীদা চাংলকই।

"করি! ঐবু অপঙবা! খোয়াবী কনানা হাঁয়থঁগে? সম্পত্তি-মুংপত্তি পূম্লমক অসি কনানা তানবনো? ঐনংনা মক্রপা বিনোদমরা? ঐগী মিংতৌ উকুল চারশিন্নরপা পুঁথিগদৌরিবা —বিমোদকী মপাগী মতিক লৈত্রা? ঐনা অংলনি, বাবা অতোম্বনি। বাবা পাপ তৌরিবা অহুদগীদি ঐনা নীঁকঁক অমা হেন্না পাপ তৌবা ওবগনি হায়বা থংত্রা? ঐবু অপঙবা! মুম চংলকপদা চৌকিদার থাদোক্লুনা মাবু তাহোকহনগদি— থেংগে, কনানা মাবু থম্বগে?"

অদুম্না মরি শয়দবা অমসুং ওইরোইদবা বাকম কয়া কয়া মহাক্না পোথাদবমখৈ হায়দুনা লাউ-খোংলকই।

ভবানী চুম্মিনা লৈশিবা অহনগী অমুক বা তাংখিরে। কয়া কুইরবা কাওবা চপ য়ুংবা নুংগী মুত্তিগুম কমচুনা লৈরম্লগা মতম অমা হোগংচুবা তপ্না তপ্না চংখ্রে।

তরুক

মতম অদুদা খংনখি হায়বদি য়াই, অদুমু অহিং অদুমক্তদা মাগী মুপীগা গোকুলগা তেশিন্নবদা অরাংপা কয়িন্দু লৈখিরে, মচু মথংগী মুমিংকী মাগী ব্যবহারদা খঙলে। খঙহৌদনা অয়ুকমক্তদগী মহাক খবক-ইস্নাং পুয়মক্তা য়ায়া মথরায় য়াউই অমসুং তৌগদৌবিবা কর্মগী মুমিং অদু ওইরকনবা তপ্নগী মুমিং চুম্বিদা মতাইরে, বাকম অসি মহাক্না ইমুং চুপ্পগী মীপুম খুদিংমক্তা হমা হন্না সিংশিংলকই। মপালগী মী কনাগুম্বনা বিরোধকী মমিং পাল্লবদি ওসি মহাক্না মনা পায়দুনা হায়, "মাগী মপামক্না শিরমদায়দা সম্পত্তি শরুক তম্বিরমজবা মচা মহাক অহনগী মবা-মপাউ কনানসু পনবিরোইদবনি। ঐখোয়গা মাগা কয়িগুম্বা খরি অমত্তা লৈনদ্রে। ঐগী ইনাও অহুদি শিন্দ্রে।"

মহাক্কী বা ভাবনা কনানা মমিং থংহুনা ইঙ্গিত তৌই, কনানা লোয়। মচুক হাইহনা মপুক্লিংগী বাখল ফোংদোকই হাঁয়বদি অচম্বা বাকয় অসি থংদবা কনাগ্নু লৈখিদ্রে মহুদি, বিনোদ ভশেংনা চংজকপ লৈরম্লোই অমম্নুং গোকুলনা করিগুম্বা লৌশিং অমা তৌহনবু ওইরবগ্নু পুম্না যোংশিন্দ্রগনি।

হৌজিক লোয়না ময়াম পুম্নমক্না বিনোদকীদমক্তা চুংচাই-বিদবা কোংদোক্লমকই। মহুদা নত্তনা, মহাক লাক্লগা শাখীবা কংনা খুবাক্তা শগুন তৌবা অসিগী মায়োক্তা কোর্টকী মতেং লৌরবা থোক্লবদি মথোয়গী থকমদগী মতেং ফঙ্গনি—অসিগুম্বা ইঙ্গিতশু কনা কনাগুম্বনা পীনরকই।

থঃ-হৈরবা অয়শাপ বাঁড়ুয্যেনা মরেক থেংনা হায় মহুদি, মীগী মশক থঙবা ঙমদে হায়বগী অচংবা প্রমাণদি গোকুল মজুমদার অসিনি। গুগ্নী মহাক্কী মখিত্তদদি মানা উফুল চাইবা ওমদে। মরমদি লৈকাইগী অজাং-থহল, মুপা-মুপী পুম্নমক্না খোঙ্গেল অমত্তদা গোকুলবু অচুম্বা চংপা, মনাও নিংবা ধর্মরাজ যুধিষ্ঠিরনি হায়না লাউহনা অতিয়া থেংখিবা মতম অহুদা গুগ্নী মহাক্তদি তুম্বিমা নোকখি, অহুগা মপুক্লিংদা শোজখি, ওহোকপাদি, লোয়বী মমাগী শোকমিয়দবা মনাও—মচোগ্নবু অচুক কনবা লৌচিং! বেদ পুরাণদা করিগুম্বা অমুক্তা গুণখোক থোকখিদ্রিবা মতু ওইরগদবা থোর কলি অসিদা!

মরম অসিনা অশুক কুইবদি মহাক গুগ্নী মমিং থঁই-শিন্দুনা ফাগী অহ থেংলকখিনি, কনাদহ্ করিগুম্বা বা অমত্তা

হায়রম্মিলনি। মথৌ করি নৈ। মুনা খঙলম্মী, মোংমদি পুম্নমক কোংদোরকনি হায়না।

"হৌজিক য়েংউদো নখোয়নু— অহু য়ৌমা কৈ, অমা য়ৌমা কৈ, হায়রম্মা গোকুল অসিগী মরিদা ঐনা তঙনা খল্লক-খিবা অহুমক চপ চানা চুম্লেনিনা!"

অহুমু অম্মক কুইখসি মহাক্না করি খল্লকপগে হায়বমু তাংলাংবা খঙজিনৈগী মতম অহুমা মরাম পুম্নমক্না চুম্মিনা মহাকী লাইপাউদি য়াবা তাই অমম্নুং উনা উনা লাইম্ন চাকপগী মতৌঙম য়াকম অহু মী অমমগী অমমা মখং শম্মোকল্লে।

অহুম ওইনমক গোকুলনা খঙবা চম্নমদে মহুদি, মপাললা য়ানিংদবা উৎরাং অমা মাগী মানোক্তা য়াম্না কনা মতৌ অম্মুম্না হৌরক্লি হায়বা।

ভবানী মহৌশানা য়া কয়া চাজম্মে। মহুগী মথক্তা হৎরাং অহিংমগী মথরায় মুংঙাইতবনা তশেংনা য়্রোম-ব্রত লৌশ্লে।

গোকুলগী স্ত্রী মনোরমানা তাক্না অমমা মপুম্নোইখমু মকুমদা কৌশিল্লগা মাইকৈ অদোমদা মাগী খিংখেং চিংশিন্নুনা হায়রকই, "ইমাগী মতৌসি উররা?"

গোকুলনা মপুক্কিং লাংতক্লনা হায়রকই, "উদে। করি তৌরবগে ইমানু?"

মনোরমানা খোশা-জিলাদবা মওংনা হায়রকই, "করি অমুক ইগদি! হৎরাং ইমা ও-ইমুংতোনা শেল মাংহনবগী য়া হায়-খদনা— মহুদগী ঐতোম্দা য়া-লাং তাংখিখিল্লে। মহাকদি য়া-লাং তাংনরিদনা?"

গোকুলনা মাইথোং মকশিনা হায়রকই, "ঙাংনদে, ঐগন্দু ঙাংনদে।"

যশোদামানা মঙক হাইথেং চৎলুনা থোক্লেন থরগন্দু নেমথনা হায়রকই, "থেংউ সুংঙাইত্রা। শেল ময়াম ময়াম ইনাও-ইবুংঙোনা মথুং অনি চংদুনা মাংহল্লক্তি, ময়ামগী লৈরম্ববদি ঐখোয়মক্তা ওইনা লৈরমগদবনি। পাবু'নদি ঐখোয়ংক্তদা পুরপ ইদুনা শীরম্ববনি। ঐখোয়গী শেল মরাক্তা মাংহনগদব — অদুগা ঐখোয়না চিন থজিনবং খোকউবরদি শাউদুনা মা-লাং কাওবা ঙাংলোইদবা। মশিবু করি শাওরেনো? নরাক্তদি 'ইমা ইমা' হায়দুনা ঙাউ মাংলি, হায়বিয়ুদনা, চুম্বরা চুমদ্রা?"

গোকুলগী মাইথোং ভগেংনা মুশিন-মুশিনশ্রে। করিগুম্বা মথলগী পাউখুম অমত্তা মরাক্তা থিবা ফংজে।

মরাকী ঙ্গীমা মচুমক উদুনা ওইরম্বা মাই, হায়রকই, "ইনাও-ইবুংঙোনা অমবু তৌরবদু অমবু তৌরবদু মাদি মপুক্কী ভাবা মচাদি। নহাক্তি লোয়নবা মচাদগী থেনবা মত্তে। নহাক্তা সম্পত্তি পুরমক ফংথোরে — অদিদা কনাগুম্বী হুদিবু থাংজখিনগদ্রা? মত্তে মত্তে, ঐহাক্না পুরমক অদুম তৌদুনা থৌওই থিজরবদি অমুক মাংলোই। হৌজিক্কীদি থরা চেকশিনবিগদবনি, অমুক 'ইমা ইমা' হায়দুনা তেথরবদি মাইকৈ পুরমক্তা মাংজগনি, হায়জখৌরিবনিনি। সম্পত্তি-সুংপত্তি মাম্না শাবীবা পোংনি।"

গোকুলগী থম্মোয়-সুংগী থওচেবদবা চিংবরমা থ্রোক থোক চাক্লে। মরাক মাইথোং মকশিনা ভগ্গী ফলপ ফলপ থেংহুনা লৈ।

মহাক্কী মুপীনা হায়রকই, "ঐখোয়দি মুপীদি, মুপীগী পুক-মুংগী বা ঐখোয়না খঙলবা অদুক হাক্লা মখোয় মুপানা থম্বা ওয়া নত্তে। ঐনী বাসি লৌবিয়ু।"

খঙহৌদনা মনোয়না কি চিংথংখুনা মকোক খুমহনা তুম্বিনা লৈরে। কাহুগী নমাদো চক্রবর্ত্তী অমুক হল্লকুনা লাকুনা লোয়রে। হায়রকই, "বাবু, ইখা লেংলক্লি।"

থুদংচাদনা মথং লাকই হায়বা, তাবদুনা গোকুলনা মুমিং-মুমা থবক তৌরকে। ওদি মুমিং অরেং-নিপাদমুনি অমত্ত্রি মহাকা থুম্‌-সোংবনা হাপুবা লৈরে।

মোহিন্দ্রর মকুমদা লেপতুনা ভবানীনা অচম্বা খোঞ্জেলনা কৌরকই, "গোকুল!"

গোকুলনা মুরচা তোঙুম থন্দনা হোৎনংতুনা লোমলা হায়রকই, "কুবি হায়রগো ঈমা?"

ভবানীনা মকুমদা লৈনা লৈনা মখোক শেংবা খোঞ্জেলনা হায়রকই, "অদুম্বা থাওশিত্তো হায়দুনা নংডোন্দা কনানা তাকপগে? চক্রবর্তী মহাশয় মতম কুইনা থবক তৌরকপনি, মহাক্কা হিংলিবদৌ হাইহ কুহম থমরদুপনি। উপুগী লো, থাক্তা-চুংদা লৈতনা নহাক্ক চুকাক্লো চংহনবো।"

মা মহুংদা খক্ক তাবরকখ্রু মীনা অদুক হাক্কা চুকনমদবা নাইদু। ভবানীনা মিংচুগম্মক কুশিত্না লৈরগো অমুক হন্না হায়রকই, "অসুম্বা হা মনগো। ঈশ্বরা-ইবুঙোনা চানবিহনা লোংবিরক্ক—কই-শেনবী যুমদা মুংচাইনা থোংম-নিনি লৈবিদু; তাকশি-ত্থিন্নবু; অদুবু এঁবী চুকাম্বা চবান-চিদি খোকুম্বা খোকত্রা হায়বগী চিঞ্চাদি ইবুঙোনা তৌবিবগী কান্নবা লৈতে। চক্রবর্তী নপাই, অমুক পত্থবিরক্ক, চংশিল্লো। ঐ পানবদে, মৃণালগী মীনা চুকাম্বা চংদুনা থাক্তা-মুংদা থাকপ-থোংপা। গোকুল, লো সীক্লো, মহাক চংগ্রগদ্র যি

অস্তি হায়রগা কনাগী প্যাউথুম মিংকুপ অমা কাওবা ঙাই-রুমদনা মহাক চংলে। কা অদুদো ব গী খে ওথাং মখোল কাই।

কাহুগী মুংংমবা ভাবতু কোকলে, মিমাই য়ায়না কংলোক লোক্লগা হায়রকই, "মসিমক্তি ইয়ুল নত্তনা ইয়ুল শাবা হায়নরিবনি। য়ার্কং পীবগী কায়দাহ উহৌরেদনা বাবাজী।"

অদুবু বাবাজীনদি থুমদে। পাউথুম পীরকই মহাক্না মচা হুপাহ্ননা। মহাক্না হায়রকই, "মসিদি খঙনরবা হাকমক্তি বাবা, মহাক নৈরবদি হৌরানবা অমুক ওয়রোই।' থাগৎনিংঙাইনি য়াখংহ।"

মপাবুংনা মঙক নোমহুনা হায়রকই, "মহু ওইবা য়াই।" অদুগা চক্রবর্তীদা মিংল্লে ভাকুবদা মৈ হৌরকুনা গুক্তোক্কুনা হায়রকই, "অমুক লেপতুনা নৈরবদি কল্লিগীনোবহৈ হৌরাবা, চংল্লো চংলোদনা। অমুক কৌজক্তুবকম্ শারি। হাই তৌবিমল খঙদবা, জেলদা থাজিনবিদবনি কমনগ্রবনি। চবল্লো চংলো ইমাংদনী। বাথোয়ি হায়হুনা থামবনি—মাংগ্রবদি মাংলে, হৌগ্রবদি হৌল্লে; লৈপা অরি-মতাদং পীরগা পীবিবা হায়বহুনি—অদুবু অমুক। 'নঙবু জেলদা থাজিনমমক্তা মতিক চাবা ইথৌদাং ওইরম্বনি।"

অদুবু মনোরুমাদি মপুরোইবগী য়াইথোংগী কিজন উবা না ঙাংদবা পোত্না হুরুবা ওয়ুরে।

গোকুল মক লুকপুহনা লেপহুনা নৈদ্রিবা অদুমক কিজন হোংদনা উনা শাবা লাইরুম চপ্ হকো কৈ।

চক্রবর্ত্তীনা কনাগী রা'দগী পাউখুম পীদনা মখুৎত্তোদা অতম্না খোঙ্কেল নেম্না হায়রকই, "অহ্ ওইরবদি খাতা-বুদো পুহনা ঐ চংচররগে। উপুগী শোহ্ পী'বরো।"

গোকুলনা রা ওাংদনা মখাংদা য়েন্লিনা শো চবুনহ্ চক্রবর্ত্তীগী মংশোঙ্ মর্যাদা লংশিনরে।

চক্রবর্ত্তীনা শো চবুংহু খুংগংলগা খাতা শেগ দা থেপতুনা মোক্লিংবা থাংহনা হাইন-তুয়া থো'করে। মতাক্তা থে কখিবগী খুচংতু য়াম্না মরৌ থাংই। মরম অহনা কনাদগী কশিন্তুরা অমত্তা হংনকপা লৈতনা বঙ্কিপাড়াগী নিমাই রায়গী কাহংলনা মাইদা কনানমো সংলায়দা লৈরিবা কালি পুম্নমক হৈজিল্লগা থোক-খিবগুমী।

অহুগী ফুংদা রা তাম্নকম কা অসিগী মমুংদা ওইরিবা দৃশ্য অহ্ তশেংনমক তাক্লিংঙাই ওইরে।

মপাবুং অমদি মৌপরাগী মকমদা থনত্তমদবা কংনা শাস্ত্রীনা ঈকাইবা নংলবী মনোরমানা জ্ঞান মাংখিহনা মপুরোইবনা পল্লইদবা পন্দুনা চৈ-খাংবা, তাং-শকপা, মওং কয়াগী তমখিন্না শক্লোন উংপা, মরজ-মোত্তবা অমসুং মমৈথংদা থম্মোয় শোক্লা কনা তেংখা-নাইদ্রুম্লগু মপুরোইবগী মচিন্দগী মপাগী মীচংদা য়াহৈ অমা কাওবা হায়হনবা তমরবা মতম অহুদা মহাক মমাই উপাশিনদুনা অশিবগী পান্দমতম তুহনা লৈরে।

গোকুলনা ঈকাইবনা নুংকেমনা কম্মিং কম্মিং তৌনা হায়রকই,

"ইমামবু য়েক্কুবা ওইরুনা অহঙবা মাখং পীরক্নি হায়বা ঐনা কমদৌনা খঙগদগে ?"

নিমাইনা শাংলবা খুংগা মখোয় অমা হোন্দোক্লগা হায়রকই, "করে হিংলে। অচৌবা মঙ্গং অমকখী লাক্লোক্লে। অসোমদা অশিংবগী পাংথক ওইনা ঐখোয়গী বাবু য়াম্না ৱানা খাংহৌরিবনি— ঐবু অতে য়া মকম কদায়দা লৈমনবা উপায় লৈগদগে। অহুদা নত্তনা, দরকার করি লৈ চাক্লা অদী চারগা মাইনা মীগী শিংলুপগী। অহুবু হুপীমচা মনো, অঙাংশিং মখুং শবহুনা লম্বীদা নখুং তিংখোক্কুনা লেপলুগা— মহুদি লেপপুবমক মতা-য়বনি, মিত্তা শং-শং উরবনি— মতমহুদা অহুম ওইনমক ঐঙোন্দা দোষ তৌরকপা ওয়োই মহুদি, ইপানা অমুক্তা কাওবা হুমা য়েংবিরক্কে হায়না। অহুঙবা মপা অহু ঐদি নত্তে,· মহু হায়বি-রৌরিবসিনি— কনা ইচানুপীম্নু ওইসনু, অহুগা ইমহাকনুপানু ওইসনু।"

অসি হায়রগা মহাক্না মমহাকনুপাদা শাবীনা য়াম্নৌনা খানা য়েংলকই। অহুবু অখাবা মিংয়েং অহু গুপ্নগী মচানুপা নত্তনা অতোপ্পা কনাগী থবক্তনু চন্নজে।

মতম অহুদা মহাক্না চাউখোক্না অমুক হায়রকই, "হৌজিক কাওরদি খোঙকম হোংজিং হায়বা য়াই, অহুম্বু খোঙকম অমুক-তংবু হোংপ্রবদি নিমাই য়ামু খেমজিনবা কনাগী মতিক লৈরোই। ব্রহ্মা-বিষ্ণুনমু শাপ্না ওয়োই— মহু নখোয় অনিনা অমুক্তং মুমা

থমহুনা য়েংউ। মুপামচা নক্কাল, পুং অশি-কদায় তাবে, পুং অর্থম-মথাংগী থাক্তাদা ঐ চংলগনি। পোৎ-চৈ তৌমখিজুরো—খঙলিবহুনি মগুণী নপানা হায়দোকপবা কা হোংবদি পৃথিবীনা মথক-মথা ওঙবস্তু ওইহল্লকহুনা দৈতে হাক্কবা।"

অশি হায়রগা চাউথোকচনা মচানুপাম্বি বথুং পাম্বহুনা চোলুপীগা মমহাক্কু থক্কবনবা পুং অমতংগী মতমদং শীরয়গা পোন্দনা থোকপ্লে।

অহুবু করিস্তুবা থবক অমত্তা ওইরে। পুং অমদি যাম্না তেঙবা মতম্নি—মুখিং হাপ্না লৈখহুনা তোক্না ইকং মাংলে অহুঁ তৌরে হায়হুনা কনা শাউ-খোংহুনা অমস্তুং চৈ-থাংকুনসু গোকুলগী মচিন্নগী অত্তোমা বা অমা ছাংথোকহনবা ঙমক্রে। মকুঁথোক্না খোইদোক্না ঊকাইবা নংবা অসিদা মচাক মখামকসু ঊকাইবা অমদি মুংঙাইহদবগী ওবথৈ-খুংথৈ মৌত্রবনি। অহুবু নংগী মথেক শেংলবা য়াথংগী মায়োক্তা মহাক্না করি তৌগনবে হায়বা করিস্তুবা মাইকৈ অমত্তসু উবা ফংজহুবা মথক-মথক্কী থিনা চৈবা অহুগা মীবা-মীশা মনা-মনিল মাইদনা থাংহুনা লৈ।

অয়ামাথোই

নিরাইনা উরে, মহাক্না শাগংচবা থাম্না, তৌজবা কয়না পুরকম থাংকেবা উরে মাথনা, মতম অহুমা [illegible] থাম্না তৌথীরকে অমাদুং মমেক শেংবা থক্কনবা ঙমরে [illegible], মহাককু থাংই

খাদৌকহন্দুনা লাকুহনবগী কেতিপুকনু চপ-চানা লৈরম্লবশি। মহাক্কা বাঁড়ুর্য্যে মহাশয়বু চৈথক অহুগী মঙ্গলং মথুং চনশিনরে। মহাক্কা মাক্লগী গোকুলদা অপুনবা হায়রুনা, শিংতাংবশি হাপহনা চৈ-থাংলৈ অমহুং অনিতুম্না ত্রমথবাবু কুলনা ইক্বিড অমা তৌরকপনা থজবা ডরে, নিমাই রায়বু ঈক্বাইবা নংকল্লবগি মহাক্কা বিনোদকী মীচংদা লেপতুনা মতেং পাংলুবা কাওবা চমথানি হায়বা।

গোকুলনা পীরাং থাংবা খোক্লৈনা হায়রকই, "করমদি তৌগনি ওকা-ইতুংতো, ইমানা থাবু যুমদা থগা উরাম্ পামদে। হৌকান্দা চংহন্দনবা চক্রবর্ত্তী মহাশায়দা মহাক্কী থাথং কাওবা পীরবনি।"

ওকা-ইতুংতোনা হংলকই, "কারবার, সম্পত্তি-লুংপত্তি নহাক-কী থা, নহাকী মবাগীরা গোকুল? মথৈদা নত্তনা, নহাক্কী পোত্তবী নমা অসি হৌজিক নহাকী যেক্লবগী মীচংদা লৈরবনি, মহুগী পাওজিদি থজলিদ্রিবে?"

গোকুলনা থওক নোমহুনা থজই হায়বী থজহনক্লবদা বাড়ুর্য্যে মহাশয়না হয়াওহনা হায়রকই, "থৈহু ওইরবদি তাওশিনরবসু ইতুংতো; থাগী মহাশয়গী মকথদা সম্পত্তি-লুংপত্তি, কারবার-[illegible] পুরকপ শিনখোক্লনা মহাক থুবা লুশিংবা কনহনা [illegible]। এঙ্গী থাগি থবু মশিংলো, মথু নজবদি মাত্তবা পাকাগী থাগি [illegible] ইথুনা [illegible] [illegible] [illegible]।"

গোকুলনা হায়রকই, "মহুবুদি খঙই ওস্না-ইবুংভো ; অহুবু ইমানা য়ানিংদবা খবক তৌদনবা বাবানা থিংলম্বা নৈ।"

বাঁডুয্যে মহাশয়না করেয়হুনা নোক্লগা হায়রকই, "থিংলম্বা ! নমানা মহাক্তী য়েক্লবা ওইরকনি হায়বা নখোয়গী বাবা খঙনা শিংখিত্রা ? থিংবনা চংনবা য়াবা নত্তে। থিংবা তাহুনা নৈখোক-তুনা নশাগী সম্পত্তি মাংহজরগত্রা ? মহু হায়রিত্রা ?"

গোকুলগী মফমদা য়াফম পুম্নমক অসিগী পাউথুম নৈতে ; অহুনা মহাক মরু লুকখহুনা তুম্মিন্না ফমহুনা লৈরে।

রায় মহাশয়না মরুমদা লৈহুনা পুম্নমক তারম্লিবখি। ইন্দক্তি মাংদা চংশিল্লক্লে অমস্তুং মহাক্থী অনি চংহুনা ভাশিল্লকপগী মপাল মাইত্রবা ইপাক্তা গোকুল তাউখোকখ্রে। মহাক মাইথোং লুকচায়বা অমদি খুমদনা লৈবা অহুদা মখোয় অনিমক পেনগ্রে অমস্তুং মবুদ্ধি লৈবা অসিগীদমক মহাকপু হল্লা-হল্লা খাগৎলকই।

বাঁডুয্যে মহাশয় ময়ুমদা হনখিগদবগী তৌরক্লে, মপুক্লিংগী অপাম্বা পুম্নমক থুংলবা রায় মহাশয়না ভসি মহাক্তী খুয়া-উকুল লৌহুনা থুরুয়ে। মতম অহুদা বাঁডুয্যে মহাশয়না তুংশিখিবগা লোয়ননা গোকুলগী মনকুলদা পোপ-পোপ খারহুনা হায়রকই, "ঐনা আশীর্বাদ তৌরি গোকুল, নহাক্তা নহাক্তী নৈরবা খিখিক ঐখোয়গী খুত্তা শিনরে—অহুত্তমা মহাক্তীর মঙ্গু-তুহুন অমা কাওবা ঐখোয়না তংহয়রোই। করি হায়রগে রায় মশাই ?

রায় মহাশয়না মপুক্কুং পেজবনা পীরাং ঊর্থোরকপা খোক-জেলনা হায়রকই, "অদোমগী আশীর্বাদকী কল লৈবাক-মচাশিংনা উবা ঝংলকনি। অহুবু বৈকুণ্ঠশিংবু ঐদি যুম অমিদা নোংবা কাওবসু অমুক চোম্বনা লৈহন্নিংত্রে, মহু অদোমগী মফমদা হায়জন্নিবনিনি বাঁড়ুয্যে মশাই। মখোয় কনা ঐখোয়গী বাবাজীগী মমাসু ওইসনু, কনা মনাওমুপাসু ওইসনু। অহুগা মহাগী চক্রবর্ত্তী অহু তাম্থোকখিন্রিবমখৈ ঐ ঈশিং কাওবা য়াতোন তংলোই। কনা লৈবগেনহৈ অঁহুদা? বামোন মচাহু কৌকচো হুকান্দগী।"

গোকুলনা মিংজিং-মাংজিংনা অমদি য়াম্না ঈকাইনা খোন-জেল পিক্না হায়রকই, "নত্তে নত্তে, হৌজিক মাবু কৌকবগী কান্নবা লৈতে।"

বাঁড়ুয্যে মহাশয়না মথুং অনি মাইকৈ অমিদা তিংখোক্তুনা হায়রকই, "নত্তে নত্তে গোকুল, অহুত্তবা মীগী মমাংদা কজদে হায়বগী য়াথলাহু কাম্মদে। মাবু ঐখোয়না থম্না ওয়োই—কয়িত্তবা মওংদসু ওয়োই। মানা অহুক হাক্না চাউখোকচবা শাবা। ঐখোয়না মাবু পামদে হায়রিবসিনি।"

মহুগী পাউথুমদা গোকুলনা অহুম নোজুকপা খোজেলনা হায়রকই, "অহুবু ইমানদি মাবু পাম্মী। ইমানা থম্নিবা মহাক অহুবু তাম্থোকখিননবা শক্তি কনাগীসু লৈতে। বাবানা ঐঙোন্দা মহুগী শক্তি পীরমদে।"

অদি হায়রগা গোকুল অমুক মকু লুকখহুনা লৈম্রে।

মহাক্কী থোইদোক্লা ৱাশা তৌখ্রবা পাউথুম, ইংনা অদুম ওইনমক অচেংবা থোক্লেনদা মখোয় অনিমকপু চকপমা নুংবংমল্লে। চাইহাক চপ থুংনা লৈক্লগা বাঁড়ুয্যে মহাশয়না হায়রকই, "অদু ওইরবদি মাবু 'খুম থম্বা তারিক্লা হায়বু ?"

গোকুলনা হায়রকই, "অহোয় আজ্ঞা। চক্রবর্ত্তী মহাশয়গী বপুডা ঐগী থুং অমুক চংলুনিংঙাই লৈতে।"

বাঁড়ুয্যোনা নুংশাথীনা হায়রকই, "অদু ওইরবদি রায় মহাশয়গী করি ওইগদগে ?"

গোকুলনা হায়রকই, "মহাক য়ুমদা হনবিগ্রনহু।... ইমানা করিগুম্বা মওংদমু মহাকপু মকমসিদা থম্বা পামদে। অদুগা থবক তৌকপগী মাংলিবা অদুগীদি ঐনা ইমাদা হংলগা থাররকনি।"

অসি হায়রম্লগা কনাগীসু পাউথুম ডাইক্রবা তৌদনা চংল্লে।

ময়াম্না থক্লে, অদুক শাথীনা ঊকাইবা নংলবা মতুংদা রায় মহাশয় অমুক মিংকুপ অমা ফাওবা পন্থররোই। অদুবু নুমিং তরানিরে.ম হৌরে—নিংশিংলুবগী থোইদোকপা মমল য়াউদবগুম উই। ওইরম্বা রাই মচানুপীগা মমহাকবু কাহেম্না নুংশিবমক্লা মহাক্লা রা থাজক-থয়াজ্জা থৌশাক্লদবা, অমসুং থোদোক মকমদা লৈছনা অহিং-নুংথিল নাইদনা মখোয়গী য়াইফনবা থুজিল-থৌরাং তৌরকই। অদুবু য়াইফনবা হোৎনবগী অকনবা মৈচাক্তা নাইকৈ লোমদা গোকুল মশামক মৈশা লাংই অমসুং রাল্লোই, অহুম্ভয়মক অসোনদা ইমুংদা ভগানীসু মিংকুপ থুদিং পেন্দবনা থল্লক্লে। মনৌহুপী অমসুং মাগী মচিন ছুম্না থৌরবা রাইহেগী তেম্না চাবদা

ভুৎথদা কপ্পদা থাগী মনাকোং অনিদা কাওজিনখিবা অরেপ্পা লৈতনা খঙ্মোয়দা যুররি।

মুথিং অহুদা মহাক্না থাংহনা লৈথোকপা অমুক উঠ্ঠকহনা মখৌনুপীবু কৌথোক্লগা হায়রকই, "ইবেম্মা, ঐবু যুমসিদা লৈবা গোকুলনা পাম্ব্রব্রা ?"

মখোইনুপীনা মশানা খুদিংদহনা থুমজ্রে—মক্ক লুকখহনা মখোঙ থুজিন্না লৈমায়দা তক্লকই।

ভবানীনা ওাইহাক চপ যুংনা লৈরগা হায়রকই, "কয়ে, মচুমক কন্নিঙবা মানা পাম্বদি মশামক্না লাক্লগা শেংনা হেক্তা হায়রক্রিবদি কন্নিগীনো ? মতৌ অমুম্না নহাকী মৌপন্না অমদি নহাকী নপাবুংগী খুংথাংদা ঐঙোন্দা অহিং-মুংথিল অনিমক্তা ঊকাইবা পীহল্লিবা কন্নিগীনো ?"

অতুম ওইনমক গোকুলনা মসিগী মরিক অমা কাওবা থঙলম্লোই, অহুদা নত্তনা মঙোন্দা শুপখঙ খঙহন্দনা মী-মচাশিং-সিনা মহু কামখোক্কুনা চিক্লিবনি হায়বা বাকম অসি ভবানীনা খমুক্তা কাওবা মপুক্লুংদা থম্লরুদে।

অহুবু মহৌশাগী মমৌ অহু মহাক অমুক ওইত্রে। মহাক্না খুদক্তা খুম্লকই, "ঊকাইবা কনানা কনাদা পীরিবনো হায়বা লৈবাক হুম্নগী মীনা খঙনররবনি। ঐ ইশাগী ইপোং হুয়ানবগী মথুক্তগী কন্নবগীদমক ঐগী বাবাগা ইপন্নাগদা শিন্নবা পাম্বদবু ইমাগী খঙ্মোয়দা তাসোন্না থিনবা কমদৌনা ওইগদৌরিবনো ? অহগা মী অমগীদমক মী অমগী মাংহন-তাকহনববু কত্রা ?"

ভবানীনা, মশাগী মাথক্কী তপ্প-ঙৈংনা হায়রকই, "এনা কনাগী মাংননবা তৌগ্রবগে হৈবেম্মা ?"

মমোম্নুপীনা হায়রকই, "মীগী কনবা তৌরগা হন্দুনা চারক-লিবনি। মসিদা মহাক্কুবু করি তৌবা ঙমগনি, এনবু করি তৌবা ঙমগনি। ইথক্তা তিন শিংকংলবদি মাইদা তারকপা মহৌশানি —মহূদা শাঙ্ঘবনদি করিম্নু কাম্লোই ইমা।" হায়রগা মমোম্নুপী চংখ্রে।

ভবানী চম্মহুনা ঙাইহাক লেপতুনা নৈরম্লগা তপ্পা তপ্পা মশাগী কাদা চংলক্লগা হিপ্লম্রে। মপুরোইবনা হিংলিঙৈগী গোকুলগা মমোম্নুপী অহুগগী রা নিংশিংলুবদা মতম কুইনগী ঙ্কুদা ঙসি অমুক হন্না মহাক্কী মমিঙ্গী মপী শিন্থরক্লে। ঙসি করিঙ্গুম্বা মওংদস্থু মপুক্লিংগী নীংঙমদবা অসি থাদোকপা ঙমগ্রে মহুদি, অপঙবী মহাক্কা গুপ্লগী মশাগী মখোঙদা শীংজংনা মানশিন-জখিবদা নত্তে, মচানুপাগী মখোঙস্থু য়াম্থংখ্রবনি। মতৌ অহুম্না সম্পত্তি খুদিংমক ঙম্না গোকুলদা ইহুনা পীখোক্লমজ্রবদি ঙসি খুদোংথীবা অসি থোক্লম্লোইদবনি। বিনোদ ফনা ওক্তবস্থ ওইসম্থু, মহাক্কুদি করিঙ্গুম্বা মওংদস্থু অপোকপী মমাবু মতৌ অম্নম্না ঙকাইবা পীথা অমদি নৈথা তাহনবা ঙম্লোই।

অহুবু বিনোদনা শেল তম্নবা লোম্না হোংনদ্রি হায়বসি কনাস্থু খঙলমদে [illegible] কোর্ট অমদা থবক তৌনবা থোরাং তৌরে, অহুগা [illegible] চিদাম অমদা য়ুম মচা অমা তাঙ্গাদা লৌরগা মঙ্গা মহুংদা হলক্লগা পাউ তম্নরে মহুদি, হয়েং অমুকমুক মাগী নৈকম্ম মনৌবা অতম্না হোংদোকখ্রগনি।

ভবানীনা মথৱায় য়াউনা হৌগংতুনা কয়রগা হায়রকই, "বিনোদ, ঐবুন্ন পুগদবনি মুপামচা, ঊকাইবা নংবা অসি ঐ অমুক থাংবা ঙমদ্রে। নঙনা থম্নিংবা মওংদা থম্বদা ঐ হয়াওনা লৈগনি; অহুবু য়ুম অসিদগী ঐবু থম্না পুথোকউ।" হায়রগা মহাক কপ্লক্লে।

অহুগী মতুংদা অমমম ওইনা ইতিহাস পুন্নমক তাৱগা বিনোদ মপালদা থোরক্লে, লম্বীদা গোকুলগা থেংনে। মহাক চুকাম্নগী থবক-ইথাং লোইশিন্নরগা ময়ুমদা হল্লকপনি। অতৈ মুমিত্তদি অসিগুম্বা ফিভমদা বিনোদ লাপ্লিঙৈদগী থৈদোক্তুনা চংলি, ঙসিদি লেপতুনা লৈরে।

বিনোদনা মনাক্তা চংশিল্লগা হায়রকই, "হয়েং অমুকমক ইমা পুন্না ঐহাক য়ুম অনৌবদা হোংল্লগনি।"

গোকুলনা ঙকুনা হায়রকই, "য়ুম অনৌবা? ঐঙোন্দা য়াহং-পাউহংদনা য়ুম হোংগে লেপ্লবা?"

বিনোদনা হায়রকই, "হোয়।"

"এম, এ, তম্বা মচু ওইবদি থাদোক্লগনি হায়রু?"

বিনোদনা হায়রকই, "হোয়।"

পাউ অসিনা গোকুলবু কয়াগী মতিক থম্মোয় শোকহল্লবগে হায়রবা অহু সন্ধাগী অমম্বদা বিনোদনা উবা ফংদ্রে। মনাও-মুপাবু এম, এ, পাশ তৌহল্লবগী মচু অসি মহাক্কা অমাং ওইহৈঙৈদগী হোৌনা মঙজররকবনি। থউদ-চারবশিংগী কনা-কনাত্তনা

করিনো অমা পাস তৌবগী পাউ হেক ফংবগা গোকুলনা মথরায় য়াউবা শাহনা মকম অহুদা চংলি অমসুং সুংঙাইবা ফোংদোক্লগা মমৈথংদা এম, এ, পরীক্ষাহ লাম্হোকহন্নিংবগীদমক থোইদোক্লা সুংনাংবা ফোংদোকচৈ। রাযমহ খঙবা মখোয়না মচিন খুমহনা নোকই। খঙদবশিংনা মপুক্লিং লাংতক্লবগী মরম হংবু হংললক্লবদি মাগী মনাওসুপা বিনোদকী ওনর গ্রেজুয়েটকী রাকমহ হেক্তা পল্লকই। মতমহদা রাগী রাপোদগী রাখল অমদা তাউখিহনা বিনোদকী সাগী মেডলহুসু উংলি। অহনু কমদৌ-হনা বেলবেটকী উপুগা লোয়ননা পোং অহ গোকুলগী পকেটতা য়াউরম্লিবনো হায়বগী করিগুম্বা মরম অমত্তা মহাক্লা নিংশিংবদা থোক্কে। মহাক্লা খ্বাইদগী পামজদি সনাশাবা কৌরগা ফংঙম-ল্লবা পোং অহ মাগী ঘড়িগী চেনগা শৌ জিন্নংনর্বনি, অহগা গহ নহালনা তৌম্নু তৌরম্লগদবনি— করিগুম্বা বিনোদনা সুংশা-পাহল্লমল্লবদি— অহন্না তৌরবদি পূন্নমক অহ পুখ্রিদা থাদখগনি হায়। গোকুলনা য়াম্না খাংঙমদনা ডাইজরক্লিগনি, এম, এ, গী মেডলহ কনানা থঙগনি কয়া য়াম্না ফজরমগদগে অমসুং পোংশক অহ থুংলরবদি কমদৌনা কদায়দা থমগদগে।

অহগুম্বা এম, এ, পাস তৌমনবা লাইরিক তম্বা অহ খাদোক্লে হায়বা তাবদা গোকুলগী থম্মোয় থুম্না তাশোম্না লেংলরে। অহনু ঙসি মহাক্লা মথরায় খুরাক্লা হাপতুনা মপুক্লিং ফাথজরগা হায়রকই, "মহনুদি ফরে, অহনু ইমাবু য়ুম অনৌবহদা পুরগা করি পীজক্লগদৌরিবনো হায়রু?"

"মহুদি থোক্লবা অমা লাক্লনি।"

অসি হায়রম্লগা বিনোদ চৎখ্রে। মহাক মশামকম্ মমাগুম ন্না কয়া গুঙ্গন্দে; মহাক্না হৌজিক্তা তারকথিবা পুম্নমক অহু অমত্তম্ ময়াম্বগী মকমদা ফোংদোক্লমদে।

গোকুলনা ইমুংদা মখোং থাংজিল্লককাঙ্গিংঙৈদা হাবুগী মমানা পাউ পীরকই, "ইমানা অয়ুক্তা লাকউ হায়রকই।"

গোকুলনা চুমথ্রিংনা মমাগী কাদা চংলকপদা উরে, মহাক অসিগুম্বা সন্ধ্যাগী মতম ক্বাওবদা উতুপ তাবগুম কমুংদা হিপতুনা লৈরম্বা।

ভবানীনা হৌগৎতুনা কম্লগা হায়রকই, "গোকুল, হয়েং অয়ুকমক ঐহাক য়ুম অসিদগী চৎলগনি।"

মহাক হৌজিক্তা বিনোদকী মকমদগী তারকপদা মপুক্লিং ওমচাক্লরক্লবনি; খুদক্তা খুম্লকই, "নহাকী নখোঙদা ঐখোয়না থৌরি থাংহনা থমদে ইমা। চৎনিংবা মকমদা চৎখো, মহুদা ঐখোয়গী কৈদৌনি! চৎলগবু হিঙ্গদ্রা?"

অসি হায়ম্লগা গোকুল মচিন পোমথোক্তুনা চৎখ্রে।

মথংগী অয়ুক্তা ভবানী চৎননবা থৌরাং তৌরি, হাবুগী মমানা মনাক্তা কমহনা মতেং পাংলি। গোকুলনা মাঙ্গোলদা লেপতুনা লাউরকই, "হাবুগী মমা, ঙসি মহাক চৎখিবা য়ারোই থরা হায়য়ু।"

হাবুগী মমানা ঙক্তুনা হংলকই, "করিগীনো বাবুচৌবা?"

গোকুলনা হায়রকই, "ভনি দশমী নত্রা? অঙাংম্নুবীগা লোয়ননা যুম পাল্লিবনি, ভনি চংগ্রবদি ইযুংগী অমঙ্গল ওই-হোক্লনি। ভসিদি করিগুম্বা মথংগীদু চয়্যহনখিবা ঐ ভয়োই শরা হায়রু। চংনিংলগনা হয়েং চংখো— ঐনা গাড়ী হলহনগ্রবনি।"

অদি হায়রগা গোকুল খোঙথাংকমা থাংহনা খোরকপদা মনোরমানা মখুং হংতুনা মহাকপু মরুমদা কৌশিল্লগা শাউরংননা হায়রকই, "চংচখিসনু, খাম্মুব্রিবা কর্ম্রিগীনো?"

মুশিং শরনি অদি মাগী মুপীগা গোকুলগা খোইদোক্লা চাঁমে। ভসিদি খঙহৌদনা মহাক্লা পীগুম শুক্তোকুনা ওংলকই, "খাম্মিংলগা খামগনি, ঐগী থুশিনি। যুমগী যুম্মুরেনবীনি, করুবা পুংকমদা যুমদগী চংগ্রবদি অঙাংশিং ভয়া বোম-বোম তুহনা শিরোইজ্রা?"

অদি হায়রগা মহাক থুনা য়াংনা মপালদা খেংকল্লে।

"কায়দাসি য়েংউ!" হায়রগা মনোরমা শাউনিংবগা ভকপ-গনা মুং-পান ভনল্লে।

তরানিথোই

দশমীগী মতুংদা একাদশী হৌরে, দ্বাদশীসু হৌরে, মমাবু খাঙিনবা অহুগুম্বা তিথি-নক্ষত্র গোকুলগী মথিক্তা উখিল্লে।

ত্রয়োদশীগী মুশিম্তা যুমগী পুরোহিত মশামক লাক্লগা ভকাল্লা হুমিংকৌ পাউ পীরুবমক্তদা গোকুলনা অরুম চাদনা

ভাউগংলকুনা হায়রকই, "চাক্লা, ঐগী চায়গা ঐমকী খাং-ভাক্লনবা লিরিব্রা? চৎল্রো, নশাগী মখো তৌরুচো, ইবাবু ঐনা কদায়দগী চৎহল্লোই।"

মনোরমা খুমিং অহূদা চৈহংখিবা অহূদগী হৌনা মশাদি করিসু ভাংখিদ্রে, ভজি মহাক্লা মপা থাজিলকই।

নিমাইনা লাক্লগা হায়রকই, "মহূদি অঁফবা থবক্ নত্তে বাবাজী।"

গোকুলনা করিগুম্বা খুমিত্তসু পাউ-চে পাদে, অহৌবু ভসিদি কমহুনা পাখি। হায়রকই, "কারিবুনো?"

"ইচে-বেন্নানা মাগী মচানুপাগী লৈকমদা মশানা চৎচবা পাম্লবা মতমসিদদি ঐখোয়না খিংনুবা চুল্লোই।"

গোকুলনা পানা-পানা হায়রকই, "লৈকাইগী মীনা ঐবু থিনা ভাংনগনি।"

নিমাইনা শাথীনা ভক্লা হায়রকই, "থিনা ভাংননবগী করিগুম্বা মরম অমত্তসু ঐদি উদে।"

গোকুলনা মকুবোকপু নহালমখৈ ঔকাই-খুম্লনা যা ভাংই। ভসিদি থঙহৌদনা মৈ হৌরকুনা হায়রকই, "পাবুংনা উননবগী করিগুম্বা দরকার অমত্তা উদে। ইমাবু কনাগী মনাক্তসু থাম্লোই— বস, অশৈংবা থানি। ঐখোন্দা তৌনিংবা তৌজরকসই।"

গোকুলগী অশেংবা ম্বা অসি বিনোদকী মনাকোং য়ৌখিবদা থিহৃখিত্রে। ঙুংতিগী খামহুনা গাড়ী হুলহল্লকখিবগী মহাক মপুক্লিংদা শাউরক্লবনি। ঙসি খোইদোক্লা শাউহুনা চংলক্লগা হায়রকই, "দাদা, ইমাবু ঐনা ঙসি পুগ্রগনি। দাদানা কায়দবদা খাম্বিরমু।"

গোকুলনা খোইদোক্লা পাউ-চেদা মপুক্লিং চংনা হায়রকই, "ঙসিদি য়ারোই।"

বিনোদনা হায়রকই, "শোয়দনা য়াগনি। ঐনা হৌজিক-মক পুরগনি।"

মহাক্কী অশাউবা খোল্লেল তাবদা গোকুলনা মখুত্তা পায়ল্লিবা পাউ-চেহু নাকল অমদা লংথোকগ্রগা হায়রকই, "পুরগনি হায়গবু হেক্তা য়াগত্রা? বাবানা ৺ প্রমদায়দা ইমাবু ঐঙোন্দা শিন্নরম্বনি—নঙোন্দা শিন্নরমদে। ঐনা কদায়দসু চংহল্লোই।"

বিনোদনা হায়রকই, "থৌদ'ং অহু তশেং-তশেংনমক লৌবি-রম্লবদি দাদা, মহু ওইরম্লবদি মতৌ অসুম্না ইমাবু অহিং-নুংথিল মাইদনা নৈহুনা ঈকাইবা নংহল্লমোইদবনি। ইমা, খোরক্লো, গাড়ী ঙাইহুনা লৈরে।"

অসি হায়রগা মহাক্লা হল্লা য়েংথোরকপমক্তদা ভবানী খোরক্লে। মহাক খোরক্লগা মক্ৎমদা লৈশিন্দুনা লেপতুনা লৈ হায়বা গোকুলনা ধঙ্গলমদে। মহাক চুমথ্রিং থোকখিহুনা গাড়ীদা কখংখিবা উবদা গোকুলনা নুংবংনহুনা ঙাইহাক চপ লেপতুনা লৈরগা

মমৈথংদা মতুং শোং-শোং ইমহুনা গাড়ী মনাক্তা চংশিল্লগা হায়রকই, "অসুম্না নমরুনা চংলবদি ঐগা নহাক্না করিগুম্বা মরি অমত্তা অমুক লৈনররোই, মতু হায়হৌরিবসিনি ইমা।"

ভবানীনা পাউখুম পীদে।

বিনোদনা গড়ৌরালোদা কৌহুনা গাড়ী থোননবা যাথং পীরক্লে।

গাড়ী থোদোকখিবমক্তদা গোকুলনা ইখঙ খঙহৌদনা বারোবা খোঙ্গেলনা হায়রকই, "ছন্দোক্লমহনা চংলত্রা ইমা, ঐদি নঙগী নচা নত্ত্রা? ঐবু নহাক্লা চাউননবা য়োকপিরকপা নত্রা?"

গাড়ী চাকাগী মখোলদা রা অসি ভবানীগী মনাকোংদা চংখিত্রে, অদুবু বিনোদকী মনাকোংদা চংগ্রে। মহাক্লা মমাই লৈথোক্লুনা য়েংলকই, গোকুল কুঞ্জা মতোলনা মমাই খুমহুনা পর-পরপ হনখি।

গোকুল ইমুংদা চংলক্লগা বিনোদকী ড্রোইং-রুমদা চংহুনা খোঙ লোনশিল্লগা হিপতুনা লৈগ্রে।

মহাক্কী মতৌ লোন্না য়েংলিবা নিমাই মপুক্লিং হাইকেং লাংতক্লরকই, অদুবু ঙাইহাক লৈরগা মহাক খোঙ হাংদোক্লুনা খোরকই অমসুং মতম চানা ঈরুজহুনা চার-খক্লগা হুকান্দা চংগ্রে, মতম অদুদা মহাকী মমাইদা মমিত্তা অদুগা শাজত্তা খোইদোকপা করিগুম্বা চিংনক্লনিংঙাই ওইবা খুদম অমত্তা উত্রহুনা নিমাই শোর চলিং তানা হোজবা কংহুনা হিংলে অমসুং

লোইরেংশীংবোং লৈত্রবুনা মহাক হন্দক্তি মশাগী মখোঁদা মপুক্লিং থিংজিনখ্রে। হায়রবদি তিন্না মাগী শিকার্য় অহং তপ্না তপ্না য়োংশিল্লি, উশেংনা মতৌ অহুন্নমক মহাক্না মমহাক-প্পাপাবু যাম্না হয়াও-তয়াবদা পুনশিন্দুনা থম্লনবা থোরাং তৌরকই।

থুদমক্কু থোইদোক্না করে হায়না থল্লি। গোকুল নপাবুং নোঙ্গাখিবা মতুংমক্তদগী থোইদোক্না ফিজংলকই অমস্তুং মপুক্লিং লৈতোয়রকখিদ্রে, ইচম-চম্বা ময়মদদা হেক্তা য়েংলি; অহুবু ভবানী চংখিবা থুমিং অহুদগী হৌনা মহাক অতোপ্পা মীশক অমা ওনখ্রে। কনাগী করিগুম্বা মা অমত্তদস্থু শাউত্রে, য়েংপস্থু তৌত্রে। মহুদা নিখাইনা কনা মপুক্লিং মকা-লামজরবস্থু মাগী মচানুপীদি হয়াংক্লবা উমত্রে। গৌরুলবু মহাক্না মুন্না থঙই। মপুরোইবনা চাব-থকপগী মতাংদা মনা-মনিল নাইখিদবা, লৈরষহ তুম্মিন্না চারগা থৌগংখিবা উবা অহুদা মহাক সুখাথীরক্লে। চাব-থকপদা থরমখে লাংজবা হায়বসিমক্তবু গোকুলনা অঙাং ওইরি-ঙৈদগী হৌনা থোইদাজরকই। চাবা অমস্তুং পীজবদা মহাক যাম্না হয়াওজে। নোংমাইজিং থুদিংগী মহাক্না মকপ-মপাংশিং নিমন্ত্রণ তৌই, হন্দক্না নোংমাইজিংদদি মাগী অহুগুম্বা থৌরাং অহু অমত্তা উবা ফংত্রনুনা মনোরমানা হংলকই।

গোকুলনা হৈনিংদবা মংংদা পাউথুম পীরকই, "মহু পুন্নমক অহু ইমাগী লোয়ননা চংখ্রে, কনানা থোংলপা পীজবিগদগে ?"

মনোহরমাদা ব্রহ্মোবগী মওংদা হায়রকই, "খোং-থাকপদু ওঙ্গমী ইম দনা হৈত্রা—এখোয়দি হৈজত্রা ?"

গোকুলনা হায়রকই, "মহৃ নঙগী কপাম্বা নৌপব্রাগদা পীজৌ, ঐগী দরকার লৈতে।"

মনোরমাগী মমা কালীয় ঈতগী হুক্লকপদা লোংমা চংলক্লে। মচানুপীগী মনেম্বোক শাউহুনা চংঙ্খে, মচানুপীগী মংং চাক্রবা যুগাল শেরজিন-খাজিনবা দরকার ওই থনুনা মহাক মুখিং নিনি-হুম্ম লৈরগা হনখিগে হায়না খল্লমী।

উমা উনা মংং চাকত্র। ইমুংহু লোইশিন-থমজিনবিহুনা অমুক মজনা পাললক্লে; অমতুং াহমাই চুম্বা ওইহুনা নৌ চেংবা পাম্বহুবা মতম ফেল্লকই !

কৈরেই-লৈকাইগী মীনা অহানবদদি ব্রফমহৃ য়েংঅবস্থী, অহবু কলিকালগী স্বধর্ম্মদা মুমিং নিনি-হুম্মিনা অহুম খুংলায় থাদোক্লক্রে।

হান্নুগী মমাগী য়ুম লম্বী সোমদনি। মহাক মরক মরক্লা লাক্লুনা উত্রৈ। মাগী মকমদগী ভবানীনা গোকুলগী অনৌরা হুম্বালগী বাম্বী পুমক তাকা ফংলম্মী, অমুমু অক্ক-কক্তা কৰিত্তমা রা অমঙা উংদে।

২ অহুদা লাক্লমদায়দা গোকুলনা গাজী য়নাক্লা চংলক্লগা হুন্নি, মখেত্রবী মজি পুমমক মংবববনি হায়না, মকম অহুদা মনাগী পুক্লৌ-পাক্লৌবিনা নমহুর্দ্দাখবুলা বাক্রম অহু মহাক্লা

খোওইনা খল্লমদে। অদুবু থা অমা হৌরগা কাওবা গোকুলনা খির-হংলরবা মতমদুনা মহাক্না লোম্না দুংনা মপী কোন্দোরকই। মহাক্না খাক্লেমক শেংনা মাবু খোওইখিরোই, মনাওদুপাবু মতৌ অমুম্মা কাউথোকখিগনি হায়বা অমুক হাক্না ইরাং খোক্লুনমু, অদুক হক্না শাউন-খোংমদুনমু রাকম অসি মহাক্না চিংনবা কৈতনা খাজকপা ঙম্মদে। অদুনা ঙসি হাবুগী মমাগী মচিন্দগী ইমুংদা গোবুলগী মনেম-মচুগী হৈ-পা শাবা রাকম তারবদমু মহাক ঙম্নগী চপ য়ুংনদমক লৈ।

য়ুম অনৌবদা হোংলকপা দুমিং ছম্মি-মরিমিদংদি বিনোদ মপুকচেল কাখৎলম্মী, অদুগী মতুংমতুংগীদি মহাক মশাগী লাক্লোন কোংদোরকই। মশাবু করিমত্তা হন্না য়েংখিত্রে; অহিং য়ুমদা হন্জিনক্তে; অয়ুক্তা হন্জিল্লকই, মতমদুদা মথবাক্তা য়ুংঙাইতনা ঈকাইবনা ভবানীনা মঙোন্দা হন্না য়েংখিত্রে।

তাবদা মঙাইরি, মহাক থবক তৌরে হায়বা। অদুবু করি থংক্লো খাদা কম্মানো, করিমত্তা খঙলমদে। মরম অদুনা হৌজিক মপুক্কিং কাখজনরবগী পাম্বে অসিদংদি লৈ মদুদি, অতৌ ওইনিংবা ওইজসনু, মহাক্না মচানুপাবু সম্পত্তি ফংহন্দনবা শিন্নখিবদু বিচার রানখিবা নত্তে; মরমদি গোকুলনা মাগী দুপী, মকুবোক, মনেম্বোক্কী খৌইনশিন্দগী মখোয়গী মফমদা অরামবা কনা তৌরবমু মপুরোইবনা অদুক রানা হোংনজরম্বা দুকান্দুদি খোই-লোক্না মাংহন-তাহন্দনা থমগনি, লোজাঞবা মপুরোইবগী রা জিংশিংলুবদা মহাক চিন্তা অসিদমু থরমখৈ দুংঙাইজবা কাওদতুম তৌই। মতৌ অমুম্মা মতম লেজকই।

ভসির কচিংগী সংক্রান্তিনি। চহি খুদিংগী মুমিৎ অসিদা য়াম্না চাউবা ব্রাহ্মণ-ভোজন তৌই। অদুবু হন্দক্তি মশাদা শেল লৈতবা অমসুং ৱাগী য়াপাদা বিনোদতা অনিয়ক হয়া খঙহন্দুনসু মহাক্কা হোয়-মাই হায়নবনা চহি অসিদি ভবানীগী সকম্ম অদু থাদোকপা তারম্মী।

খঙহৌদনা অমুক য়াম্না ভম্না কম্না কৌরক-খোংলকপদা হাবুগী মমানা খেঙ হংলুংমক্তদা গোকুল তক্পিং তক্পিং চংলকই। মহাক্কা লোয়নদুনা মী কয়না ঘি, ময়দা, মখল-মখলগী মিঠাই, হাও অমা থম্না হৈনৌ পুশিল্লকই। চংলকপগা হায়রকই, "ঐখে য়গী কৈকাইগী বামোন পুম্নমক বাড়োন তৌরম্লনি—য়োংফুগী মথক্তা নবাশন্দুনা থম্বা ভমদে। ইমাদি কদায়? হৌজিক ফাওবা হৌগৎলিরোইনে? চৎলগে, থবক নোয়বা মী থারকউরা? ইমামক্কী মতৌ ভম্বা মচানিদনা, কনাসু থৌশাবা লৈতে, অদুনা ঐ কেক য়াম্না শারিবনি। ইমাদা তম্মুকো হাবুগী মমা, ঐ পুং অমরোমগী মমুংদা হল্লকনি হায়না।"

অসি হায়রম্লগা গোকুল কিংনা চংলকপা অদুত্তম্বা তক্পিং তক্পিং থোকখ্রে।

ভবানী য়াহৌবা য়াম্না কুইরে অমসুং মক্কমদা লেপতুনা পুম্নমক য়েংলিবনি। গোকুল চংশিনবমক্তদা খঙহৌদনা পীগী উথক হৌরক্লুনা য়ম্মিং অনিমক চোংখ্রে।

মুমিৎ অদু নোংমাইজিংনি। থাংজগী অহিং লেম্লগা অমুক য়াম্না থেংনা য়ুমদা হজিল্লকপদা বিনোদ চুঙক্লখ্রে। হাবুগী মমাগী

নহৈমদগী পুম্নমক তাম্বনদা মনাদা অত্তম্না হায়রকই, "দাদাবু পাত্তি থাদুনা চৈরক অসিদা কৌবিরমদনা এঙোন্দা অতুম হায়বা যাবদ্রি। মসি এঙ্গী ইকয়নদি ঙাকাটনিংঙাই ওইনা খোকই।"

ভবানীনা পুম্নমক শঙ্গমম্ন য়েংশুদে। কেইচং চংশুনা থবক-ইশ্বাং য়েংশিন্নি অমশুং মতম চনা ব্রাহ্মণ-ভোজন পাংথোকপ্রে, কনাদম্বু রা অমত্তা শুং মননা খেক থগদবগী তৌরকই, অদিগুম্বা মতম অসিদা বাঁড়ুয্যে মহাশয়না মহাকপু ময়াম মরক্তা কৌশিল্লগা হায়রকই, "ফম্মু।"

ঙসি মহাকম্বু গোপালনা হেন নওৌনা থাকপনি। অদুনা মহাকমক্তী মরলনা শিনবা চকনে চরগা নোংমা ঙক ইবা নুংহনখিবদুগী লমন থুম্নবা খেরং কই।

মহাক্না মশুমদা রুখোযনী মচেং যাম্না চরকখি হয়রত্রা কয়িনো. অদুমক্না নিনাই বাষবু নুমিৎ অদুদা থৌওইখদ্রা অদু মঙোনমক্কদা তশোন্না থিন শুম থোকহৈম্নে, ময়াম মমাংদা শিনে দত্তা অমিং কুপন্ডুনা হায়রকই, "কাইম্নু হনাও, নম্বগী ঙসিগী চালাক অসি ভাব তাদ্রিদনা?"

রূপ ভাংম্মত্তামা তৌদুনা গোক্রু হৈনরুক্রু।

বিনোদনা শম্নু হায়রকই. "ওদে।"

বাঁড়ুয্যে মহাশয়না চাংশেম্না কেককেং তৌদুনা হায়রকই, "মহু ওইহ্নবদি কৈগ ভুইম্নিনে! বি, এ, এম, এ পাস তৌরগা "ইনাও, অদুগবু মসি ফাওবা থঙা শুধিনত্রবে, ইশাবু অথুং

চন্নশিন্নবমক ঙসি তৌরন্নিবা চানাকনি হায়বা? মহুগী মতুং-মক্তগীনি কেশ খৌরকদৌরিবা।"

গোকুলনা মমাংমমিং কাহংনা হায়রকই, "কৈদৌঙৈদস্থু নত্তে খো-ইবুংঙো, কৈদৌঙৈদস্থু নত্তে!" অসি হায়না হায়না চেপ্লোক্লুনা থোকখ্রে।

বাঁড়ুয্যে মহাশয়না ঙংদুনা হায়রকই, "মফমসিদা চংহনগনু ইনাও, নহাকপু মাং-তাকহল্লগদৌরিবনি।"

য়া অসিস্থু গোকুলগী মনাকোং য়োত্রে।

বিনোদ ঈকাইদুনা মরু লুকথদুনা ফমদুনা লৈখ্রে। ময়াম্বু মহাক্লা থঙবা ঙমদে, মহু নত্তে। পান্দম অমগীদমক অতোপ্পা থবক অমা তৌবা মহাকী মফমদদি তশেংনা শুপওই ওইথোক্তে, মহুস্থু মহাক্লা থঙই। অদুগা বাঁড়ুয্যেগী য়াদুস্থু মহাক্লা অদুক হাক্লা মপুং ফানা থাজদবস্থু নত্তে, অস্থুক য়াম্বা মীয়াম মমাংদা ময়াম্বু ঈকাইবা পীবা অসিদা মহাকী থম্মোয় থোইদোক্লা শোকই।

বার্তোন ফংদুনা লাকপশিংদু ঙম্মা বিদায় লৌনব্রবদা বিনোদনা ইমুংদা চংলকপদা উরে—মমা থোঙ থিংজিন্দুনা হিপথ্রে। য়াদু মাগী নাকোং য়োত্রে হায়বা কনাদা হংলুত্রবস্থু বিনোদনা থঙজবা ঙম্মে।

দুকান্দগী থবক লোইশিন্নমগা সন্ধ্যা মতুংদা গোকুলনা মশাগী কাদা চংলকপদা উরে—মফম অদুদস্থু শাখীনা তকথনবগী লীলা শাগ্নরম্লি। য়ায় মহাশয় মশামক ফমুং মথক্তা মমাই য়াম্মা

কাহৎনা কমহনা লৈরম্মী অমসুং মখাদা লৈমায় মথন্তা মচানুপী হৈথাক্লিনী শমহনা মপাবুংগী মতৌ ঙাইহনা কমহনা লৈরম্মী।

মাদা চংলকপমক্তদা রায় মহাশয়না হায়রকই, "বাবাজী, অপঙবগী মতৌঙম নহাক্না ঐখোয়দা ঙসি নঙগী নমাবু ঊকাই পীহনখিবহ করিগীনো হায়য়ু?"

অময়োমদা গোকুল হায়বকম খঙদরমখে মপুক্কি চংঙাইত্রবনি, চোকথরবনি। রাকংলক্লিবা মওংহদা মহাকী মশা 'পুম্না মৈ হৌরক্লে।

মনোরমানা হিক হিক কপদুনা হায়রকই, "করিগুম্বা নহাক মকম অহুদা অদুক হয়বা চংলবদি ঐ ঙক্তা থৌরি য়ান্দুনা শিগনি!"

মচানুপীদগী খোনা কংলহনা রায় মহাশয়না খোইদোক্লা শক-কম হক্লিনবা মওংদা হায়রকই "তৌঙবী বাবু ঙরাই ঙরাইবী—"

গোকুল থোমগী মতৌঙম পোকথাইরক্লে—"ঙাশম্বা লৈয়্যু হায়রিবসিনি। ঐগী ইমাগী মিংদা অহুগুম্বা বা ঙাংলবদি নঙক লাকুনা ইনগনি।"

অদি হায়রক্লগা মহাক নোংথাংগী মতৌঙম অমগা অমগা য়েংনহনা কমহনা লৈ।

গোকুলনা তৌরিবসি করিনো? পুক্কা ত্তোনিংঙাই মশুক ঙাইরবা মকুবৌকপু শাথীনা ঊকাইবা পীরবা।

তরাহুমথোই

বিনোদকী করবা মরুপ কাংবু অমা থেংনত্রে, মখোয়না মঙোন্দা কেশ তৌননবা তত্তনা ইনশিল্লি। মরম মখোয়না, মহিংবিবদা মখোয়দা মাঙ্গদবা নৈতে—মাই পাক্লবদি থোইদোক্না কাম্নগদৌরিবনি। মতম কুইনগী ইথক-ইম্মাংদা তাউনবা থৌরাং কয়া তৌংৌদবা য়াদে। কেশ শোক্লদবা ওপয়া য়াদে হায়বমু মওং অমদা লেপথোক্লবা পথাপ ওইরবনি। অদুম ওইদমক বিনোদকী মাইকৈগী ওইনা মখোয় মশেল য়াম্লবা পুরকহনবা য়া হৌদোকলুননবা নোংমা মাগী মরুপ অমা গোকুলগী মনাক্তা চৎলুই, গোকুলনা মঙোন্দা চৈহংতুনা হায়রকখি, “মীরেম চয়দবা অপাক্তবহুদা শিকি অমগী সম্পত্তি ফাওবা থায়রোই—মানা তৌনিংবা তৌজরকসনু।”

অদুবু অদুক য়াম্বা সম্পত্তি অদুগী কেশ থাক্লংপদা শেল হাইকেং য়াম্না চঙনি। মদুগীদমক বিনোদনা মতম থবা পম্বা তারিবনি।

ময়াম্বগী মথক্তা বিনোদনা শাউমিংবা কনা নৈসনু, লমিং অদুমক্তদগী হৌনা নহাক্কী থুরোয়দু কপ্রিং কপ্রিং তৌরক্রবনি। অদুক য়াম্বা মীয়াম মমাংদা ঊকাইবা নংহনা চেংথোক্লনা, থোকশিবা ময়াম্বগী থেংউমজবা শকক মহু মহাক্না কয়িত্তুনা মুওংদুনু কাউথোকপা ঊরখিত্রে। “খম্নোয়হুংদা করানবো খিংকুপ থুদিং হায়রকপাওম তৌই—চুমদবনি, চুমদবনি,” থোইদোক্না চুমদবা

থবক্নি। থোইদোক্না মীনম্বা অমস্থুং ফজদবা মংংদা অথিবা মিংচৎ পীশিন্দুনা ময়াম্ববু খিদায় তৌখি। মযাম্বা অহুনা পুন্সিদা লম্বী সোমদা মাই ওন্নকদনা নৈত্তে হায়বা চিংনবা মৈত্তবা বিনোদনা থগুলম্মী।

লমদম অহুগী লাইরিক হৈবা নহারোল অয়াম্বমক বিনোদকী মরুপ্নি। ময়াম্মকী চানবিবা পূম্নমক বিনোদতা হৈথৈ।

নোংমা অয়ুক্তা মখোয়না মপালগী কাদা কমহুনা ওবা-ইবুংঙোবু কৌহন্নুরগা কয়া য়েংন-খোংনরবা তুংদা লেপ্নরে, রাহৈগী লাংদা গোকুলবু থুহনবা ওমত্রবদি খুদেংচাগদবা নৈত্তে হায়না। গোকুল থোইদোক্না অপণ্ডবনি অমস্থুং থোইদোক্না তোয়রিংবা মীনি হায়বা ময়াম্না থওই। মরম অহুনা মহাকপু ফিক্সংহন্নগা মহাকমক্কী মচিন্দগী থোরকপা রাহৈনা মশামকপু পুনশিনহন্দুনা লাক্কী শেম্বদা লুনা থেংক্লোই।

লেপ্নরম্মী মতুন্দি, লাক্লবা নোংমাইজিংগী অবুক্তা নৈকাইগী মশক লাইবা ভদ্রলোক মণ্ডা-তরা পুহনা গোকুলগী ময়ুমদা চৎলগা মহাকপু রহৈগী লাংদা থুহনগদবনি। রাফম অসিদা করেম-কথাইনবা কয়া তীন্নিবশিংতনা গোকুলগী মথক্তা হৈথরকই; কনানা করি হায়গদগে অমসুং কনানা করি তৌগদগে হায়বা ময়াম্না মহু অম[illegible]ওইনা শিন্দোক্লরে, ওম্নগী বিনোদতদি মরু লুকথহনা ফমহনা নৈ। মহাক্কী হৈনিংবা রাংপাহ্ মশা মশাগী হৈনিংবনা হেনখিহনা কনানম্ব উরমদে।

ঙসি বিনোদ থবকী মপালদা চংথোক্কে, চাব-থকপা লোয়রগা কাল্ল ফমহুনা লৈ; "সুংথিল পুং অমা তাবা মতমদা থঙহৌদনা গোকুল্ন—"কদায়দা লৈবগেনে হাবুগী, মমা, চাব-থকপা লোই-রেদনা ?" হায়রুনা চংলকই।

হাবুগী মমাগী তৌরুম থঙদনা বাবুচৌবগী কিদা থায়গা হায়রকই, "লোইরি বাবুচৌবা, হৌজিক ফাওবা লোইরি।"

"লোইরবা!" হায়রগা গোকুলনা ফিদাহু চোংগংতুনা পুররুগা মাঙোলদা থায়রে। কমথরগা হায়রকই, "অঙৈংবা ঈশিং গিলাস অমত্তা থকসি হাবুগী মমা। অরুবা থবক অমা চংকে থে রকপনি, সুংশা ম কপসিদা চংপদা উশেংনা খোঙ থাংবা থোক্কে। ইমা কদায়দা লৈবগেনে ?"

ঙব নী চাকশঙদা লৈ। অহবু সুমিৎ অহগী রা নিংশিংলুবদা শাথীমা ঈকাইহুনা পাক হেক মমাংদা থেংকউবা ঙমত্রে।

বিনোদ থবক চংথি, য়ুমদা লৈত্তে—গোকুলনা মসিমক খঙই। হায়রকই, "পুম্নমক মীনম্বনি হাবুগী মমা, পুম্নমক মীনম্বনি। কলিকালদবু অমুক ধর্ম্ম-কর্ম্ম লৈরিব্রা ?' বাবানা শিরমদায়দা ইমাবু ঐঙোন্দা শিন্নথিহুনা তাকপিরম্মী, মপামচা গোকুল, অমা অসি কোনথরুবনিকো। ঐদি অরুবা মীনি—মহু নংলমত্রবদি বিনোদকী করি মতিক লৈগদগেদো, মাঙম্বনা ইমাবু ঐগী নাকুগী-নমহুনা পুরুকপা ? করিগীদো ঐদি মচা নত্তরা ? ঐনা করিগুম্বা পায়বদবু হৌজিকমক নমহুনা পুথিবা ঙয়োইরা ? মসিনি বাবাগী অংশংবা উইলদি—মহু থঙত্রা হাবুগী মমা ? ওপগী ময়েক থরা ইবনা উইল হেক্তা ওইবা য়ায়োই।"

হাবুগী মমাংদা হুমিং কুপতুনা ইঙ্গিতনা বিনোদ যুমদা লৈ হায়বা খঙহল্লক্লে। গোকুল ঈশিং গিলাসতু থম্লগা খোঙউপ তোংশিল্লগা র্বা অনি শুরমদনা চংখ্রে!

অহিং পুং মাপল-তরা তাবা মতমদা খঙহৌদনা হুকানগী চক্রবর্ত্তী লাকই। হংলকই, “ইমা, বাবুচো হৌজিক ফাংবা যুমদা হল্লকহৌদ্রি—মফম অসিদগী চাক চারগা করম্বা কালদা চংখিবগে?”

ভবানীনা ঙকুনা হায়রকই, “মাদি সিদা চাক চাখিদে। অরুবা থক অমগী লাকপদা চংলকুনা শুপ্নগী ঈশিং গিলাস অমথক থক্লগা চংখি।”

চক্রবর্ত্তীনা হায়রকই, “য়েংবিয়ুদো! ঙসি বাবুচৌবনী মপোক নুমিংনি। যুমদগী থংনরগা থোকখিবজি, ইমাগী প্রসাদ ফংলুনি হায়রম্মী। অদু শুইরবদি নুমিৎ চুপ্পা করিমত্তা চাত্রে হায়বা খঙলে।”

অসি তাবদা ভবানীগী থম্মোয় কায়গদৌরক্লে।

বিনোদ থংনবা কাদমক লৈরম্মী, চক্রবর্ত্তী লাকই হায়বা খঙহনা মনাক্তা ফম্লে। করেম্নহনা হায়রকই, “কমদৌরি চক্রবর্ত্তী মহাশয়, নিমাই রায়গী মখাদা থবক তৌবা নুংঙাইবিরিনিনে?”

চক্রবর্ত্তীনা ঙকুনা হায়রকই, “নিমাই, রায়? রাম রাম—মানবু হকান্দা চংবা ঙমগদ্রনে?”

বিনোদনা হায়রকই, "দাদাবু মহাক্না পুমনোক শোংশিন্দুনা লৈ হায়না তাই !"

চক্রবর্তীনা ভবানীদা হাইখ্রেং য়েংলগা নোকখ্রেং। তৌইদুনা হায়রকই, "মহাক হিংলিঙৈদা মথু তৌননবা উপায় লৈতে বাবুমচা। ঐবু আন্থেল্লকুনা মপুংফানা মপু 'শুইবা' লাকখিবনি হায়বদি য়াই, অদুবু ইমাগী হৃদয় অমগুদা পুম্নমক তাডখোকখি। হৌজিক ঠৌক্ক-মেগে তৌদুনা পৈসা অনি-মরিদং ফংজবদনি। দুকান্দা মখুং থিংজিল্লকু। উপায় লৈতে।"

অসি হায়রগা চক্রবর্তীনা মমিং অদুগী ৱারী পুম্নমক অদু শিং শিংনা তম্লগা হায়রকই, "বাবুচৌবদি, থোইদোক্না খাম্না চমঙবা মী নিদনা, মীগী মীতেক-মীরো খণ্ডবা ভমজদে। অদুবু মথু ওইরগা কৈদৌগনু, মমা-মপা নিংগা, য়াম্না কল্লদনা— মতুমক্না হায়খি, ইমাগী য়াথং হিক্তোকুবা ঐগী শক্তি লৈতে— অদুনা অম্রুক কপ্প-লাউনরিবনি, খৎন-চৈনরিবনি—নত্তে, শুপয়া য়াদে। ঐগী ইপাগী য়াথং—ইমাগী য়াথং! ঐ মহোশাঙম অদুম লৈজরি বাবুমচা।"

বিনোদকী মমিং, শাগৎলক্কুনা পীনা. মুমহৎলক্লে।

চক্রবর্তীনা হায়রকই, "অসিগুম্বা ময়াম্বা কনানা যজ্ঞদগে বাবুমচা? বিনোদ বিনোদ হায়না শোন্দুনদা লৈ। ঐগী বিনোদকী মতৌগুম পাপ কনাম্ভু তৌদে, ঐগী বিনোদকী মতৌগুম কনাম্ভু লাইরিক দৈতে, ঐগী বিনোদকুম্বা মনাও কনাগীসু পোক্তে। নীনা মহাক্কী মিংদা ওইদবা কয়া হায়জিল্লে বাবুমচা, ঐগী মাক্তা

চংশিনক্রগা নোকখুনা হায়রে, চক্রবর্ত্তী মহাশয়, খরাবীশিংনা কপ্পক্লুনা ঐগী ইনাওগী মিংচং অখিবা শন্দোক্লিরব্নে। ঐ মখোয়বগী মুরা লৌদে, ঐখোন্দা অতুক হাক্লা অপঙবা শিরব্া শাস্তি অপাঙব-শিংহনা।"

লেপকক তৌরগা হায়রকই, "নোংমো কনানো' কাশীগী পণ্ডিত অমা লাক্লগা তুংগী অমুবা মনা চাম্নগা নিংথৌগী মমল ওইনা লুপা চামঙা বাবুচৌবগী মথুঙগী থৌথোকখি। ঐনা কয়া খংঙী, শুপ্তা তাংদে; হায়রকই, ঐগী বিনোদনা কয়িঙুম্বা অকঁ৷ রাখল থনবা শুম্রকদবা নৈরা, ঐগী বিনোদনা কহিঙুম্বা এম, এ পাস তৌগদবা নৈরগা—মহৈজখিসনু ঐগী লুপা চামঙা।"

বিনোদনা মপী তৈথক্রগা পীনা কজিন্নবা খোঙ্হোক্লা হায়রকই, "মী কয়ানা ঐগী মিংদা দাদাদা ঠোঁগ তৌবি হায়বা ঐমু তারে চক্রবর্ত্তী মহাশয়।"

চক্রবর্ত্তীনা খৌদেম্নগা হায়রকই, "জয়লাল বাঁড়ুয্যে হায়নহুনা শেল থোকনা য়মদনা মংথিদবা নত্তে বাবুমচা! মখক্কি ম.ং-তাকপগী খ্বাইদগী মরুদি।"

অসি হায়রগা মহাক্না য়ুম্বুরেন শিঅবা তুংদা বাবুমচা নৈকম খিক্রবা অহুগী রাসী তক্লকই।

ভবানী কয়িঙুম্বা রা মচেং অমত্তা ঙংদে—ওগ্নগী মাগী মমিভগী ইঙ্গেলিশ গী নোং জি-াজ তাবঙুম মপী জয়-জয় শিক্ত য়।

"চক্রবর্ত্তী বিদায়" তৌরবদা বিনোদ তুম্বা চংলকই; অহুমু অহিং চুপ্পা মহাক তুম্বা য়াখিজ্রে। কমদৌহুনা অসিঙুম্বা ইথোক্তব

থৌওং অসি ওইখ্রিবনো, কম্বিগীনো মপাবুংনো মহাকপু মওং অমদা ইম্বোকপিরম্লিবা, কম্বিগীনো ময়াম্বনা মঙোন্দা কম্বিমত্তা পীনিংঙ্খ্রিবা, চক্রবর্ত্তীগী মকমদগী ওসি ইতিহাস পুম্মক অহ্ খওলবদা মহাক্না মহুমক হম্না হম্না খল্লকই।

বিনোদকী মক্কপশিংনা থোইদোক্না থৌম্নাং তৌবিহুনা শক্লাইবা ভদ্রলোক খম্নগা লোয়ননা নোংমাইজিংগী অমুক্তা লাক্নুনা গোকুলগী ড্রোইং-রুমদা চংলক্নে।

গোকুল হুকান চংকদবগী থৌম্নাং তৌম্নি, ভদ্রলোক অহ্নক য়াম্না ইখঙ খঙহৌদনা লাকপদা তিঙক-মাইক্লম্রে। মক্ক ওইনা ডিপুটি ম্যাজিষ্ট্রেট অমসুং অচৌবা ওফিসার গিম্নিশবাবুনু উবদা মখোয়বু কদায় ফমহনগদগে, করি তৌগদগে হায়বা খনবদা লাম্বা ফংত্রে!

বিনোদ য়া ঙাংদনা মাইথোং মক্লা মচি অমদা চংশিল্লকুনা ফম্নে। মহাক্কী মশক উবদা মাম্নু বলি তৌননবগীদমক ফাহনা পুবিম্নরুবোই নিংই।

বাঁড়ুয্যে মহাশয় য়াউম্নকই, য়াকমহ্ মহাকমক্লা হৌদোম্নকই।

উনা উনা গোকুলগী মমিত্তা ঈ কাম্নক্লে। হায়ম্নকই, "ওঃ, হুমম্না মী অম্নুক য়াম্না লেংবিম্নক্লিবা! য়াকংপিনিংলবদি য়াকংপিরুচো, ঐদি শিকি অমগী সম্পত্তি ফাওবা লমহেন্নবা ওক্লবা মঙোন্দা পীম্নোই। মাদি য়ু থকই।"

ময়াম তুপ্মিন তুপ্মিন লৈনম্নে।

বাঁড়ুয্যে মহাশয়না মখুং-মশা চংতুনা লোককেং তৌনা হায়রকই, "হোয়নে, মহুবুদি থকচসনু, অহুবু মহাক্না মাগী কংফম খোকপা সম্পত্তি কৈদৌবগী মংলিবা ! মহাক্না নপাবুং শিরমদায়দা হুয়াল্লামা তৌহুনা উইল ইহুনা লৌহোবা নত্তে হায়বগী প্রমাণ করি লৈ ?"

গোকুলনা মৈ হৌনা চাক্লকুনা লাউ-খোংহুনা হায়রকই, হুয়াল্লামা তৌরিবা। ঐবু হুয়াল্লাম্না তৌবা মীশক্লা ? খোয়াবী কনানা হায়বগে ?"

গিরিশবাবু অহল ওইরবা মীশক্লি। মহাক্না নোকমি নোকমি তৌহুনা হায়রকই, "গোকুলবাবু, অহুক হন্না ফিঙ্গংগিগনু, খরা শান্তি ওইনা পাউথুম পীবিয়ু।"

বাঁড়ুয্যে মহাশয়না য়াম্না লিরবা রা য়াম্না খঙই হায়রা করিনো, অহুনা মমিং কোইরৈ লৈরগা হায়রকই, "মহু ওইরবদি কোট কাহুনা মহাকা মম না সাক্ষী পীরুগা তাবনি গোকুল।"

মহাক্না খল্লম্বমক চুমে। গোকুল অঙাওবগুম্নক্লে—"করি হায়বা, ঐগী ইমাবু কোর্ট কাহনগদৌরিবা ? সাক্ষী ওইহনদুনা ? লৌজহৌরো নখোয় সম্পত্তি-লুংপত্তি, পুমমক—লৌজহৌরো—ঐ পামজদ্রে। ঐ কোর্ট কারোই ; ইমা পুহুনা ঐ কাশীদা বাস তৌগ্রগনি।"

নিমাই রায়সু য়াউরি, মমিংকুপতুনা হায়রকই, "আই-আই, তোকংনে তৌরিবহু করিনো, ভংলিবশিংহু করিনো ?"

গোকুলনা রাসি মনাদা ফাওবা হাপ্তে। ময়াম মমাংদা মখোও য়েং তিংখোক্লপা বিনোদতা য়েংহুনা অহুম লাউ-খোংহুনা

হায়রকই, "হাই অপঙজাও, মিদা লাও, খোঙ তিংথোক্লিরসিনি—শোক্কুনা হাংরো—নঙগী নয়াম্বনা হুরাল্লানা তৌই হায়না। পুম্নমক মিংকুপ অসিমক্কদা নঙোন্দা পীথোক্লম্বা ঙমজ্রবদি ঐহাক বৈকুণ্ঠ মজুমদারগী মচা নত্রেদনা।"

নিমাই মুংশাথীবনা তৌকম থঙলক্লে, হায়রকই, অাই-অাই, তৌরিবহ্ কর মতৌনোনে, বাবাজী। রাকংচক্কসন্ কৈদৌনি—শিচারদা থোক্লবা অমা লাকনি—অহম্না রাশক্লিবহ্ করিগীনো? চংখ্রো চংখ্রো, ইমুংদা চংখ্রো।"

অসি হায়রগা মহাক্না গোকুলগী মখুং পায়হুনা চিংনরকই।

অহুর বিনোদনা মমাই নেনথংতুনা ফাওবা য়েংলক্লে, রাকৈ অমত্তসু থুগ্লক্লে—মওং অমদা তুমিন্না ফমহুনা অহুম লৈ।

গোকুলনা নমহুনা মখুং কন্থংলগা হায়রকই, "নক্তে, ঐ খোঙফম অমা ফাওবা লেংলোই।" নোংথক্কা য়েংখংলগা হায়রকই, "বাবানা য়েংথরক্লিবনি, মহাক্না শিরমদায়দা শিন্নরম্মীদনা, গোকুল, মসি নখোয় নাচল-ননাও অানিগী সম্পাত্তিনি। বিনোদনা অফবা মী ওইরক্লবা মতমদা পীয়ু মপামচা, মাগী ফংফম থোকপশিংহু। নোংথক্কগী বাবানা উরিগনি, সম্প ও অহু ঐনা যক্ষগী মতৌগুম শংলি হায়বা। কৈদৌঙৈ মহাক জ্ঞান তারক্কুনা ঐখোয়গী য়ুমদা হল্লক্কনবা—অহিং-মুংথিল চুপ্পা ঈশ্বরদা থৌনিজরিবনি—অহগা মনা ঐবু হুরাল্লানা তৌই হায়জবা শান্নি! লাও, চংলকউ লাও অপঙবা, ঐগী খোঙ শোক্কুনা মখোয়গী মমাংদা হায়রো লাও, নঙগী নয়াম্বনা হুরান্দুনা নঙগী সম্পত্তি মংখ্রে।"

মক্লপ-মপাংশিংনা বিনোদপু মাইকৈ-মরিদগী ইনখৎনবা হোৎনরকই; অদুবু মহাক হৌগদ্রে।

বাঁড়ুয্যে মহাশয়না হৌগৎলগা মহাক্কী মখুৎ নাম্বা পায়দুনা কয়া চিংদুনা হায়রকই, "হায়রোদনা বিনোদ, মখোঙ শোক্কুনা। কৌনিংঙাই করি লৈ? অসিগুম্বা তাঞ্জা অমুক হয়া কয়ম্বা মতমদা কঙ্গদগে?"

বিনোদনা হৌগৎলক্লগা হায়রকই, "কংলোই, অসিগুম্বা তাঞ্জা অমুক কংলরোই।"

অসি হায়রগা মহাক্না খোঙকম অনি থাংজিল্লগা হায়রকই, "নহাক্কী খোঙ শোকউ তাকপিবদায় দাদা, শোকচরিবসিনি। ঐ য়ু থকই—অদুগা কনা অমবু থক-চারবস্থ দাদা, নহাকপু মুয়া খঙই। নহাক্কী খোঙ শোক্কুনা নহাকমকপু করিগুম্বা হুরাল্লানা তৌই হায়রবদি দাদা, ঐগী থুং য়েং অসি মকমসিমক্কদা তংতুনা তাখিগনি। মীনম্বা রাহুদি ঐ হায়বা ঙমজরোই; অদুবু ঙসি খোঙ অসি শোক্কুনা রাশকচরিবসিনি, ঐ য়ু অমুক হয়া শোক-লরোই। আশীর্ব্বাদ পীবিয়ু দাদা, নহাক্কী ননাগনি হায়না ঙসিদগী হৌনা পরিচয় পীবা ঙমজননবা। নহাক্কী মান-সম্মান ঙাক্কুনা নহাক্কা থুয়া-থম্বালদা ইঁপুন্সি চুপ্পা লেজবা ঙমজননবা।"

অসি [stamp]গা বিনোদ ময়াম্বগী তিংথোক্লিবা খোঙদা ময়াইবক

থ... ...তুনা লৈখ্রে

...লাইরবা—

